ঋজরি-ঋজরি

মনি মাইরেম্বম্, ১৯৭৮ (C)



অহানবা ফোঙবা : মণীং লীশীং অমা
নম্ফম্ : সরস্বতী প্রিন্টিং রার্কস, ইম্ফাল
মথুম্—লুখোয়া, শান্তিনিকেটন

ফোঙজবা : খোগেন্, থাংমৈবন্দ, ইম্ফাল
অফোংঙবনা অশূপ্পা
মমল : লুপা মরী

* থঙৈরি-থকৈরি *



◎ মীয়ম্‌লেন্দগী য়াংমা লান্‌থ্রবা থরাইদা
সরত অরাম্বম্‌গী অপাইবা উকুল্‌দা ◎

কজরি-কজরি

মথংমনাও শৈরেংশিং লমায়

লোক্তাক, লৈমতাক্ত তাক্ নিংবে·

তরাঙুবদগী অকুৎপদা
চেহ্নি চাংনারবগী চাংগোন্দা
চেল্লম্মি ইকং-ইচাউ-খাইদা
থিল্লম্মি লোক্তাক ইপাকয়ায়দা।

লৈখোংমাও হেন্না-মান
ইকং-কংলে ইকং-পান
চনি-তংলে কোংকং-তান
ইপিক পিকলে হেন্ন-থেন।

খৈহিনা ভোরবান্ পাবম্ব
লোক্তাক্ খরাশা চারম্ব
ঈনাংনা থল্লে লুরম্ব
ইপিক্-পিক্শিল্লে পাক্লম্ব।

লৈকং-কংফাল ওন্দো'কুইদরে
তুরেল্-চিল্লোক্লফম্ তাদোরে
লাইশোয় চীংঙুংশোয় শোয়চাদরে
থমংখোং থমংতাক্ শিৎনরে।

তাক্মুপাৎসু ভায়োক্কোম্ ওইরে
সন্থিপাং হুপবীদাক্ মাঙ্খরে
পাৎলৌদা লৌবা-লৌরাং শুরে
পাৎঙুংদা তাউথবী লোক্লরে।

ফুরিরি-ফুরিরি

শজি-শঙাই লোংফম্ লৈতরে
কৈবুল্-লম্জাউ লৌকোয় ফরে
কাক্তাগী হুংশিং নামিদরে
অশাবা হুংশিংস্থ শিংলরে।

হুঙ্জাউতাদ' খুজাইরোক্ ঈচেল্চাউদ' চেল্লরে
মতম্খোঙ্লৈ তুংইন্ন ওল্লক্পগী ওল্লরে
খাজলাংজেল্ মতিঙ্উৎ লোক্তাক্ ঈপাক্ শাওররে
কংথবদা ঙাইনবা কোম্কৈবাক্ত লাইরৌরে।

হুঙ্হুম্ অমা লোক্তাক্ত তাহনখিদে নিংশি বোই
লৈমা মহাক্থক্তনি খৎনখিবা কাউদবোই
ফৌরাংবগী তল্লোইওই তাবরোইদি খল্লবোই
লৈমতাক্ত তিন্নিংদ' তাক্লিংদনা খাংলবোই!

অদুবু প্রেম তাই

"ফৌরাংবস্থ উহল্লোই চাহুংহুত্ত লান্বিয়ু
লোক্তাক্ ঈপাক্ কঞ্জনি লৈমতাক্ত তাক্পিয়ু
নিংথম্-ঈকংপন্থাদা চরিত্ৎনা তুংবিয়ু
ঈঙা নোংজু-ঈচাউদা চাংহুংহুত্ত চেন্বিয়ু।
ঈমায়-শন্ন' মৈথান্গে ঙাগী মখে লাংহন্গে
লংফৈমীয়াম্ য়েংহন্গে পোক্চবগী পোংজগে
মনিথোক্ফম্ মালহনগে সনাকোন্য়াই পাইহন্গে
লৌরোক্ মশীং য়াম্হন্গে লন্গৈচোয় পৈজগে॥"

[illegible]

ইফদা ফজৈরে-ইমান্দ মাইমেরে

ইফদা ফজেয়ে ইমান্দ মামৈয়ে
পঙ্‌থুংদা থুংশিয়ে পঙ্‌পাম্‌দা পাম্‌জেয়ে
অম্‌গী পুথ্রিয়ায়দা শাংপী 'থম্বাল্'
চীংমায়গী চাংচেপ্ লোংপী 'উথম্বাল্'।

চীংঙম্-কুম্লক্‌পগী অরাপোথাফম্
লম্‌শাং শাংলক্‌পগী হুমাংহন্দোক্‌ফম্
তোংতক্-শাবল্ লম্‌য়ায়দা মরূপ্ মঙায় থেংনরে
'মনা-'মবু মশক্‌খঙ্ চিঙ্‌না চিঙ্‌না য়েংনরে।

থোক্‌নৈ থম্বাল্ উথম্বাল্
থুংশি শৈশক্ শৈদম্‌নৈ
চেংলো শক্তম্ লাক্‌শিন্নৈ
পেন্ন-পেন্ন য়েংজনৈ॥

থুংশি মশানৌ খুদোল্ তম্নিংনদি হেক্লক্‌পা
অম্‌গী পাখঙ্ খোঙ্‌গন্‌বা চীংশাংলান্ন থিন্নবা
মনান' য়োম্‌শিন্ চেক্‌শিন্নদি পুরক্‌পা
খুইররোইমতা' কুইনা খাংবী 'উথম্বাল্'।

মপাংথুংশিচন্থুরা লোইবীচীংদা ঙাইহোবা
রাশক্ মাগী থম্‌থ্রনা মঙায়' পুথ্রি কুম্ন্‌বা
থম্নান' য়োম্‌শিন্ লৈনম্‌লা.দা' য়োম্লক্‌পা
থুংশি-লৈনম্‌চেন্ তঙাং-নৌজবী 'থম্বাল্'॥
'ইফদা ফজেয়ে-ইমান্দ মামৈয়ে'

তবীৎ-তবীৎ থাংলম্বী খোঙ থাং

লিরি য়ৈরম্ব হুংশিং কন্ন শাহুম্ কনৃথংলক্
নোংবু পুহুনা লাক্ই খনৃপোক্শং য়ৈন' হুম্লক্
ঐবু তূম্ব য়াহন্দে মওন্ মওন্ খল্হল্লক্
তবক্ তাবে চীংনক্লাই ঈপাং লৈত্রে মিতারক্লাই।

ঈচূম্থক্ত তারিবা নোংয়াহিনা প্রোপ্-প্রোপ্-প্রোপ্
মুরূম্-মুরূম্ মপান্দা রাঙাঙ্নবা মখোল্গুম্
নোংঙান্দোবে ঙাযঙম্দে হৌগৎলগে হৌগৎলুই
কোয়য়েং-যেংই লৈত্নুনা কনা লাক্ই থিনিংলুই।

খোঙ্গুল্ অনী নত্তনা নোংয়াহিনা থুম্নবা
কনা উদে লাক্লম্ব কনা চত্তে অথাপপা
তবীৎ-তবীৎ থাংলম্ব খোঙ্থাংহুনি মহাক্কি
ঙরাং লৌরিং অয়ুক্ত ঈনাক্ নক্ল লেপ্পনি।

খোঙ্গুল্ অনী উনবা ঙাম্বোক্লকৃখি পুম্লং-লং
তারম্দায়গী থাজনি শে'দোক্লক্খি পুম্শেং-শেং
শাবল্ ফাওনা চৎনিংলক্ মনাক্ হেন্ন নক্লীংলক্
'তবীৎ-তবীৎ থাংলোলাউ' কৌনিংলুখি মহাক্মক্॥

হিক্‌মাখী অডাঁখী

উইনা উই উইগল্লিবা
হিকুনা হিকু মাগল্লিবা
মীমাং পোমাংগিস্থ খঙ্দা,
কুম্মৈয়েংলে অত্মঙায়
ঈশৈ তাকম্ ফংলে হাম্মু-হাম্মু
করম্ব মথল্গী লৈশাবীনো নঙ্বু ?

হিকুনা হিক্‌মা ওন্দ্রিবৈ
হিক্‌মানা হিক্‌পীমুক্ চাউদ্রিবৈ
নশমৃত্থম্ তেম্ন ককৃথংলু,
কলাপ্‌-য়ৈনস্থু শাংলরোই
নীংত্থ থুন্নস্থ পুংলরোই
হিকু-থুবীদৈ' হেল্লরোই।

শাইগী শাইদোন্ করুকুম্
মৌশাবীনা মখে লাংনকুম্
তাঞ্জাচানা হেলোই শাও,
লুত্থুং শম্লাং লেংদোন্-থেং
হাইনা হুন্ন জুম্-জুম্
হিকুস্থ হিক্‌মাস্থ কেল্‌হল্লো

ককরি-ককরি

মাইমু-ওজা

নোংয়ায় চবুক্ লোন্নবা থেংলা' অহিং অমদা
শুক্-শুনম্ব মন্নবা নে থি নোংমঙ্ কিন্নবা
লাইয়াম্ খুন্দিন্নবগুম্ লুক্থ'-কম্লগী রাপল্
খঙ্হৌদা রাম্বথোক্খি তম্নরগতা তারি ।
ফিমু শেৎপা অমম্বদ মম্ব লাইমু
রাংথ্রিং রাংই ফাদ-ফ র'দবোই নিংখি
অম্নুম্-অম্নুম্ রাংখৎলকখি হেন্ন-হেন্ন
ঈনাক্ নক্ক থৎচিল্লক্খি কোয়ন'-কোয়ন' ।
ফিঙৌ শেৎপী থাউবু নাওবু মান্বী লাইঙৌ
মরক্-থৎন' ঙাক্থোক্পগুম্ ঙৌন' খন্নে
খৎনবগুম চেৎশিন্নখি লাইমু-লাইঙৌ
মমি শামি অকিবনা হুপচিল্লক্খি ।
রানা মরক্ তন্দন্ শাইওম্ মমিৎ-ফাক্ই
লম্‌হূই মখোল্ 'উরা-টেটু' মখোল্ তাম্মি
শেক্পী শঙ্গু 'ফদ্রৎ-ফদ্রৎ' লম্খন্ শাহুম্
অথাপ্পদা চরোৎ হাবুং লাইয়াগ্ মতৌ ;
তুরেল্ মরীন্ ফৈজোম্ ফিশাং
নোংলৈ-হুংশিৎ হিংচা-য়াইতম্
রাতোন্-উতোন্ লাইখুৎশাংবী
মাইকৈ খুদিং লাম্মৈথান্বী ;
হূইয়াম্ চেল্লক্খি ঐঙোন্দ খোংলৈ
লুতোন্ শম্লাং য়ুংলেদি খংহৌখি
করি থোক্খিবা অহুম্ খঙ্খিদে
'রাম্বখি' তম্নগতা তারিবা ॥

অয়ো !

শিংজংসিনা খেংড়দা শোক্তোক্ত্রে
খোইদৌ শিক্পা রাঙাঙ্ হৈমন্ত্রে
খোঙ্‌উপ্‌পু উপ্লস্থ য়াররোই
ননাক্ত লাক্পস্থ ওম্লরোই
শাওরম্বনা থেম্ব ডম্লবোই ।

পঙ্‌লান্দি লান্দে নঙ্‌ভোন্দ ঐস্থ
পঙ্‌পোংদি পোংস্থ ঐভোন্দ নঙ্‌স্থ
মিহুন্ কাংলক্লে শাউবা হৈবক্রে
রাফংনখিসি ঈরূপ্‌নখিসি
কায়নরবস্থ কায়নবেদনা ।

লাক্ত্র-মতুংসি' শাওরগে শাওজৌ
নখুৎ-অনীনা নশমৃত্থ ফোইজৌ
নখোঙ্ অনীস্থ ফিড্রিং-ফিড্রিং-ড্রিং
চোংলগা কপ্‌চৌ ওইনগে ওইনৌ
মাঙ্গোল্ কাচিন্দ ওল্লগা কপ্‌চৌ ।

অঙাং অমুক্ শাও
নপি অমুক্ তৈথোক্উ
ওম্বোই খাংগেস্থ খাংজৌ
গুরু গুরু লৈগায়' তক্কেস্থ তক্‌চৌ
লৈশাবী ফাদ্রগা ফাদ্রগা তোক্‌চৌ ॥

ফকরি-ফজরি

লুহোঙ্‌পোৎপাং

লরাইশাৎখরে
খন্‌ফম্‌থোক্তরে
চৎফম্‌ খঙ্‌দরে উন্নগদবা তান্‌ফম্‌ লৈতরে
থক্‌নি-চানি কাউবগুম্‌ হাম্‌চৎনরে কাউররে
লুহোঙ্‌নি তাবদনি পূন্নমক্কী মরূদি।

খনবদি তোক্তে···"মাবু শোয়দ্রবরা ?"
চিংনদ 'ঙম্‌দে···"পূন্নমক্তো তাৎলা ?"
শাওরূ'স্মু হৈতে ···"করি হান্ন তাক্তে ?"
'সিমদি খল্লী···"কাউথোক্‌ঙম্নি করম্‌ ?"

নোংমদা অহুন্নক্‌ পঙ্‌থরম্ননি মহাক্তো
অহুতননি খজিক্তং খন্থবদা শাওদ্রিবা
শাওবদি শাওনিংলি হংনিংলি রাফংনহুনা
ঈবান্নিগী থোক্‌খ্রবা মঙ্‌গুম্‌ মাংখ্রগদরা ?

লুহোঙ্‌পোৎপাং ওইখ্রসন্থু
ঈশানায়ানা য়াথোক্‌লে
পাম্‌দি পাম্মুই থরাইদি হুংঙাইয়ু য়াদে
নশরূক্‌ ওইজরসন্থু 'নচাখুদেক্‌' নিররোই,
নমথাক্‌ ময়াম্‌ পূন্দুনা শৌশাহুনা লাক্‌সন্থু
শিংঙম্‌দবা লমন্‌দো শিঙ্‌লো হায়না থৌররোই
হঞ্জিল্‌ হঞ্জিল্‌ লোৎপদা মৈথুদগী মৈরিফাও
চাক্‌খৎলক্‌পা ওইসন্থু লুহোঙ্‌পোৎপাং মশক্‌খঙ্‌।

কায়র' [illegible]

ময়াক্থীনা য়াক্লক্খ্রেদা   মকম্থিনা ফংলম্দ্রিবা
শাওগল্লিম্থ অঃ য়োরম্মী ।

অহানবা খঙন'-নৌরিঙৈ   খজিক্তং ঙাঙ্খোক্লক্পদা
অঃ উনবী ফাওদ-ফাওগ্রবোই
মঙা-তরানি থোপ্চিক্খি ।

মখৃত্তুনা তনৌ-তনৌ   তপ্থোক্লক্পা কামতপ্তো
চীনবান্দুনা তবা-তবা   'সিমতং হায়না লাম্লকপা
শোয়দনমক্ পাম্হনখি
লেন্নবক্তুম খৌরাংখি ।

তাংঙাক্তনা মকেশেম্   থাক্লম্লবা অপাম্যাই
মন্থুং হুনজিন্ চান্নবা   থদংঙম্দা য়েংলবা
লাঙ্গি লাংলোল্ য়ান্নম্লে
ঈমাংদফাও থাক্লরে ।

যানিংদবনা মাংজিনথা   খোইদৌশিক্পা রাঙাঙ্ হৈরে
ফত্তবা অমগুম্ শাথি   ঙাঙ্লোইদ' ঙাঙ্বম্থ তম্লে
ফত্তবব্লু হৈরক্লবা   খন্দ' চিনুক্লম' হাল্লুরে
মখিক্ হেন্নম চুম্লরে কায়নরবা ফবরে
ঙাঙ্লোইদ্র'ঙাক্ য়াকাতম্ অয়োবীনা পৌরোল্থা
খংন'পাম্গুম্ থৌজিরে কায়ন' খায়নরম্দায়দা ॥

[illegible]

'কাউরম্বনি' খল্লিমখৈ কাউদ্রিবনি
'কৈদোরেসে' নিংশিংলিখৈ খল্লিবনি

হুংশিগী রাশক্
ময়ায় চম্থরে
কায়ন' পন্থৈদা থেংহুনা কায়ররে,
হুংভিগী থোক্খিবা থৌদোক্ রাথোক্শিং
'পাউথোক্লরে' 'পাউথোক্লরে'
নাকোংশিংজা য়ৈররে।

লিথোক্খিবা মথৈদি
ময়ায় চম্থ্রবহ্নি
অমদগী অমদা লিন'-ভানা কাওগ্রনি,
রাহৈনা ফোংওম্দবা কয়া অহুমথৈদি
'কাউরম্মনি' 'কাউরম্মনি'
খল্লিমখৈ কাউদ্রিবনি।

মতম্ অমা
উদ্রিমখৈ লৈঙম্দবা
ঈযুমফাওবা ঈযুম্মান্ন খোইদা-লৈভাদবা
কনাক্তগী লেংদবনা রাশক্ ওইরম্বনি
'কৈদোরেসে' 'কৈদোরেসে'
নিংশিংলিখৈ খল্লিবনি॥

[illegible]

[illegible]

ঝিজিদা পকপা সম্পক্‌পি মরুগুম্‌
কম্থোক্‌পিরম্লে কি-কিনা কনুবগুম্‌
সেরবীরম্মী তাহল্লোই খেৎলিঙৈ
অথম' পোৎকুম্‌ শংলি-কজরিঙৈ।

ঈহন্‌ মত্তৌ'লৌ উরক-উরক নৈশিল্‌
নাম্থোক্লররোই থুরকি-করল্‌চল্‌
রাশক্‌ কায়বগুম্‌ খৎনদা কায়নরে
করি ঙাঙনদা তোথায় তোথায় তারে।

ঐগুম্ব অমা লৈরম্লে মাগীদি
নোক্রম্‌গনিকো অমত্তদা মাদি
তম্হোৌরবনি পোৎহাপ্‌কুম্‌ মিনোক্তো
নোকল্লবনি পুক্‌ফত্তা মহাক্তো।

'তম্নমনি মা' অতোপ্পা 'মতুগী
হৈনবী নম্থাক্‌ ময়ানগুম্‌' দৌনমগী
হম্ন হম্ন নোক্‌ মমায় থুই খঙলরোই
ফজ'-য়াওররোই তানিংবা পোক্লরোই

মমল্‌ য়াওদ্রবা কংথুগুম্‌ থুত্থনা
মাঙথি' ওইসত্থ মথং মিনোক্‌ করা॥

[illegible]

[illegible]

হিক্‌তোক্‌খরে হংগুম্‌
তোংঙাল্‌ তোংঙাল্‌ তারে
কুইর-কুইর কাউরে, মম্রি-শামিখরে।

তুংশি রারী কয়া
থম্মোয় মীগ্ন ওইরে
মহৌশা খুৎশেম্‌দা লোইন’-চুপ্‌শিন্‌ তিন্নে।

নিংবনা কাউবা হান্‌
ঈচেল্‌ য়াওদা কংলে
ময়াং-কংলম্ন-কং য়াওদ্রে হংমহুং তাল্‌।

মীৎনদ’ নোক্লরম্‌
চীনবান্‌লেং য়াক্লাতম্‌
মায়থোংহ্নদা শুন্নু খঙ্‌দ’ তুংইল্লুরে।

থাল্লুংয়ৌ অপাম্‌য়াই
মহাওতং মিকান’
তিংলি য়াংলিররোই মশক্‌খঙ্‌খিবা তীল্‌।

থির’ থবাক্‌শেগায়
য়াওররোই অহিংবা
ময়াইচম্ন’ পোৎশ্রেয় হংতীল্‌গুম্‌ কংখরে॥

কহুরি-কহুরি

মক্লায়·চাম্বধরকমরম্ন।

খঙ্গলেদনা !
ভারেদনা !
উরেদনা !
উ !

মখোয় মশেল্ অমগা অমগা কায়নরে
নিংঙমদা শাওনরে মহৈ-মহৈ ব্রারীনরে
মপাল্ফরিঙ্ভে লাঙলম্ব পোঙ্লম্বা
নোক্শিন্বীররে হৌজিক্তি মখোয়দদা।

ময়োল্ চোংবা ঙমদ্ররা তিংথৌগুম্লে
লৈরোল্ মখাদা অহুম পংতোরমাল্লে
মশায়গী শায়দোন্স্থ মখে লাংদরে
মিনোক্ খুদিংদা অহোংবা য়াওদরে।

অঙন্বা অয়ুক লাক্থিনিদি থম্নরি
হৌগ্রবগী ব্রারীবু নিংশিংলগদি ব্রারৌরি
থৌশানবীদ্রবা মতৌহ্নদা' ঙাইহৌরে
মখোয়গীনি লৈরম্ব কাঙ্বু থাপোক্থরে ॥

[redacted]

[redacted]

কারগুম্সিরা ?
তোক্খোরুসিরা ?
চংশিল্লগুম্সিরা ?
থাংকম্ খঙ্দবা খোঙ্থাং থাংদনা
মীনম্ তাত্রিবা লম্বী কাওদনা।

অথাগ্রদগীদি কানিংনা কারকৃপনি
ফজরম্গদবা মায় খোঙ্য়াল্লকৃপনি।

চীংয়াংখেৎনা রাংঙল্লবা !
ঈমীৎসিনা ফোবাগুম্ লাওরনি
মীৎনহানা য়াক্ষোক্কুম্ পাক্লনি
উরু-উরু লৈহ্না যেংঙম্নি
উদবা অমত্ত লৈররোই।

থুৎশাশিং কয়া শাংলনি কল্লনি
উজাও তরা-তরা গুপ্পায়-পায় ফুকৃঙল্লনি
খোঙ্কাপ্ চাউনা-চাউনা কাঞ্জাউ-কাঞ্জাউ কানৃঙম্নি
গুকৃরাম্ভ রাবীরোই তনবীরোই
য়োঙমদ' কাঙমদ' লৈররোই ॥

[redacted]

[illegible]

ঈমুম্ মায়কৈপাদে যোৱাক্লিখিদ্রে
হূরু-হূরু নৈখরে হিমায়চুখ ঙম্ দরে
ঈথক্ ঈশিং মরীক্ক হুর-হুর কুমরে।

চোংপন অহৈংবা কাওরে খঙ্হৌদা' খুৎসে নীকপরে
কংকাল্ থুংলনি খল্লখ ঙৎপগী মঙম্ শান্দরে
অকিক্কাওরমদ' খৌনাম্ম নোংলৈ মুংশিত্ত 'মিপাইরে।

করম্ব থাজবা থম্ছুনা   করি লাইনিং নিংগনি
খুদোংথীর' লাংকম্ লাক্লবা করি করম্ নাহোকনি?

মম্শিল্লকপসিনম্ম মীৎতাংবগুম্ মম্হল্লে
অশি মায়য়োক্লদরা হেন্ন অকিবা হাপ্লে
মুংশিন তারম্ব' তাখিদরে খুৎলঙ্ ঈশৈ
খোঞ্জেল্ খোম্মাং ওল্লে তেংথা মিকপ্ঙাক্ত ঙাররে।

অমম্বগা তিন্নবা ফত্তমখৈ পুল্লবোই
কিহল্লগে হায়হুন' হৌনহুনা লাক্লবোই
লীংজেল্ করম্ লাক্লুনা নৌওৎ লাম্ব ঙম্খিনি
কবি মতেং ফংহুন' হিমায চুম্ব হৈখিনি?

ফজরি-ফজরি

লাই-লাংমিংবকে

থাউমৈ চুথংতুনা
মেক্রক্ থারম্বুনা
হোৌনবী মচল্ঙুনা কংচৈ
মপাল্ মীরেল্নি নীজ-রাহৈ
নিনিংবনা ফংনিংবা ঙাক্তে !

অপাম্বদি মহেল্লক্
চানগুঙায়না মরাংলক্
লাইবক্তদা তাইনঙাক্,
খরবু ফংলবা অরেম্ব
হুংঙাইনবা মীথোই মীহেন্ন
মাতনি পীনহৈবা খল্লে !

মপোক্ লাংগুন্ থেম্নবা
মিহৌবগী মান্নবা
অরৈবগী চংনবী
কংচবগী পৌংজবা
মতৌ তম্সি ঙম্দ্রবা !

লৈত্তবনদি পাংনা-শানা
মিনোক্ মৈশাতা লাংনা-লাংনা
হৈত্তবনা হৈথোই শিংথোইদা
শেম্বী শাবীরবদি য়াওদা
মাজ্রে ফংগদ' নিনা-নিনা !

[illegible]

লমহুই মকোল্ থিরিঁউে
পুদোল্য়াই থোক্পা লুম্লিঁউে
মঙ্লাল্গী চেংহি-চক্ষু ছম্লিঁউে
সনা-খাঙেল্ খুদি-থিবা ঙাইরিঁউে
অমমম্ ’ম্ম্ অমমম্
ঈথকনেং নেং কাথরে !

শোংথহো-শোংথহো
অম্মুম্ ’ম্মুম্ ’ম্মুম্ শোংথহো
কোম্মহোরে তুং কোম্মহোরে
খুবৈ ফাওবা চোংবা লানঙম্দরে
মাংজোং চোংই শাম্লু য়াদরে !

শোম্মরক্রমাল্লেদা
চম্মরম্লোইদমাল্লেদা
কাম্মরম্লোইদমাল্লেদা
ঐসে ঐ ওইরবোই
অম্মুম্ ঐ ওইরনিকো ॥

খঙ্গারি-খঙ্গারি

শিনখিবা য়াওরুমদে করনি

মথোং খঙ্দা রারী লিনৈ
অমনা ঙাঙ্ই অমনা তাদে
করম্ব মখল্গী হৈনবীনো
থেংলে কায়নরগেস্ম হায়দে
পঙ্লাংদা লাংই, পঙনোক্ত নোক্লে
অমনা তুম্মি, অমনা থক্ই
অমুক্ হোৌগৎলি, অমুক্ লাংই
হুমীৎ তারক্লে কায়নরগত্র কায়নদে
নোংঙাল্লক্ই,থক্পা লেপ্লে, লাংবা তোক্লে
হুমীৎসিমস্ম ঙরাংগুম্ন অহুম্ পুম্চাই
নীনী শুজিল্লক্লে—হন্নপ্রনিদা মহন্নদে
নীনীদগী হুম্নী, হুম্নীদগী মরীনি
'চয়োল্ অমা চথরগনি' রাশক্পগুম্
মখুৎ থক্-থক্ ! শিরদরা রানরক্লবা
চোক্থনরগতা কায়নখি ;
অস্নুম্ন কয়ারক্লি—য়াদ-য়াদ অয়াবা মফম্ হোঙ
থক্পন'শিরনি, তুম্দবনা ঙাওরনি
লমহেন্বা ঙাক্ত পুল্লবা, হায়বীনবা লৈত্রবা
মান্ন-মান্নবা তিন্নবা—মখোয়সিদা পুল্লরে
ঙাঙ্লুবস্ম য়াদবা, ফত্তে হায়বস্ম লোদবা
পুন্বু পুনপ্রবদি—শোয়দ্রবা;
"শিনখিবা য়াওরদদা করনি
হিংহৌবশিং তন্নরনি"
অহুদা ঙাইরে—ঙাইদোবা ॥

হায়খোকনবদি য়ামন' ঈকায়খৗ য়ানি

"চুহিচাবা খুত্থং ইল্লক্‌পা কক্‌চেং ওইরবা
খোঙ্গপাক্ল তক্‌খায় শোয়দনা হাৎলম্মনি"
মীওইবনিনা মীওইবা অমা হাৎপাকি,
অচৌবা চৈরাক্‌ লৈবনা লোইনা নাকোইনৈ।
কি-নবনা কিরক্ত্রবা অমদগী অনী, অনীদগী অহুম্‌
মমিদা খৌশাবা ময়াম্‌ য়াতানৈ, য়ারেপনৈ
মুংতিগী লুম্‌ই, মুংতিগী তাঙ্গা ভায়
"লম্‌হেনবা মশক্‌ খঙ্‌সি, চুহিচাবা খুত্থংইন্‌বা ফাসি"
তাঙ্গাচাবা ফংত্রিমাল্লে য়াখোক্‌ত্রি।

লুপ্লিবা কাঙ্বু নিংদোন্‌ পোম্নরঙাক্লি
তারগদা খঙ্ই, তম্লগদা শাওরে খঙ্ই
চিনি চক্ষু কায়রে, লৈকায় মহি লাংলে
পাওনিল্‌ লাক্লে, য়া য়া লাউরে, পাউখোক্লে
অশাও-পন্দোল্‌ লোয়ে, হাৎনিং লীংজেল্‌ পোক্লে।

"লংত্রিক্‌-লংত্রিক্‌ লংবা থাংশাং-থাংদেন্‌ পায়রে
লুম্লক্‌পা মায় পাক্‌থ্রে, তাঙ্গা চাবা থেংনখরে
কোয়থৎ থৎখি, মুঙ্‌না নোং চুখি, কোয়তান্‌ তান্নে
থাংনা য়ানৃথখরে, শোক্‌খরে, ঈ হাথখরে
শিব য়ানা তুখি, মথুৎ তুপ্প য়ানা চেন্‌খি"
কয়াম্‌ খিননো হায়বত্থুদি—উদ্রবদি খঙ্‌দরি।

হেক্তম্লক্পা তাব-দা হায়দোয়রক্পাম ক্লম্‌ক্লম্বা খোয়ত্রেদনা !
মহাক্ চুহিচাবা থুহ্নংইনূবগুম্ তোইরবনি, শোক্কৈদি খল্লী
শিবা য়ানদি শোক্হল্লিংদে, ময়ালহ্নগী গুইরদি
মহাক্ পঙ্জবনি, ঙাওজবনি, লম্হেনূবদনি মান্‌বা ;
মাগী মমাং—অতৈ কয়া রাথোক্ত লৈথোক্লখি
কাওনগ্রবা কয়ানি—মশিং থিবা ঙম্ত্রবা
লৈকায় য়ূম্লোম্নকাও চকু কায়রা কাক্শা…… ।

'ফত্তে' হায়নৈ, মখোয় লোইনমক্
মুক্লম্বী ঙাক্লি—ফত্তমশিংচল্লবা.
ফত্তে অরানূবনি খঙ্না খঙ্না
চুহিচাবা খুহ্নং ইনূবা ঙাক্লি
হয়-হয় লাল্সিন্নবা লাক্লবা
মখোয়, মহাক্—মীওইবা মীরম্চং
অপাম্ব—থাদোক্রাবা শারম্চং,
ঙাইহাক্লি অপাম্ব মাংজিনথা
অশোক্ অপম্ন তুংইন্নজরকপনি……… ।

"শোক্কৈ, শোক্সত্নু, শিসম্নু !"
অসি ঙাক্তনি—তায়নরিবা মখোয়দা
শাওনঙাই লৈতে
তাইনঙাই লৈতে
রারোকম্ লৈতে
কল্হোক্কম্ লৈতে
অহুবু অহুবু হুংদি হুংঙাইতে ॥

মমিংদা মী

মীত্তিন্‌ফম্‌ নত্তে, চৎথোক্‌ চৎশিন্‌ লম্বীনি
অমরোমদগীম্ভু লাক্‌ই, অমরোম্‌দম্ভ চৎখি
পঙ্‌চত্ত চৎনৈ, পঙ্‌লাক্ত লাকই, পঙ্‌থৈদা থৈনৈ
লৈরম্‌গদবা করি করম্ব—মাগী মাগী মথৌ ?

মাপা অত্থ, অমগীদি লাক্‌পনি, অমগীদি হন্‌বনি
মিকুপ খুদিং, অহোংবা শক্তম্‌—শক্‌ওং ভাক্তনি
ভমদ্‌হোদে শক্‌খঙ্‌নহৌবা—অমত্তগা ঐগা
মীনি, মীওইরেকো. অত্থতনি খঙ্‌হৌবা ; থল্লুবা ;

ফিরাল্‌ মচা পায়বা মীয়াম্‌ পরেং-পরেং
লম্বীদ ভাক্তনি, লম্পাক্‌ তম্ম ফাংজিন্নখিবা
রাঙাঙ্‌ তাবা লাক্‌পনি—অচৌ 'রাঙাঙ্‌ হৈবশিংগী
নেক্ত্‌না পুরক্‌পা মায়থোংতনা অয়ম্বনি ।

নেক্লক্লীবা লুচিংবা শারিবা মখোয়তনা লাউই
চৎপা রাবশিং খুম্‌দে, মখোম্ভ কম্ম থাংদে
চংনখিবম্ভ য়াওরি, থোক্লক্লবম্ভ য়াওরি
ফিরাল্‌ ফিরাল্‌ থৈনৈ, মীগা মীগা থৈনৈ ।

[illegible] য়েংলুরগা থনুখি, শাগৎখি রাখল
মীগা মীগা সুংশিনবা, থৎনবা, হাৎনবা
খঙ্‌নবা ভাক্তদনি ;'খঙ্‌নদবদদি কদায় ? য়াদে ;
খঙ্‌নদবন' সুংশিক্লদে মীয়াম্‌, খঙ্‌নবম্ভ খঙ্‌ননিংলুদে ।

তিল্লরিবা মীয়াম্—করম্ হোয়ছনা চংলবা
রাজাও ঙাঙ্বনা সুপ্রবা, লৈপুংফম্বনা লুচিংবা
লৌউদবনা লৌমুরেল্, রানোম্ কনবনা লৌশাল্
লৌবু' ওইনি লাকপরা ? কোরিমি হায়বরা ফৌদম শেল্ ?

পঙ্হাত্ত হাৎন সেগায়-সেগায় চানরবা
মীয়াম্শিং তিল্লম্থিদরা অন্মুক্ য়াম্বা
তিল্লিবা অসিনা কান্নরি করম্বা
করিগুম্ব অমত্তগী মপুম্মু ওইদ্রবা ?

ঙাইহাক্ হিংলগা শিগ্রগা করি মাংলবা
অচাউরমদা মিকানা হিংলগা করি ভোংলবা
পোক্লক্ত্রগা—করি উরোই, থঙ্লোইদৌরিবা
পোক্লবনা উরে থম্লম্লে, লৈরে, করি হরাওদৌরিবা ?

"সুংশিবা, তুক্কচবা, য়েক্লবা, চান্নবা, তম্থিবা·· "
চুম্ন থোন্জিন্বা—রাহৈ ঙাক্লা খঙ্ননবা
ঈচেল্লি'থৈ হিংলে হায়রি ; রাখল্ খল্লে হায়রবা
পুন্নমক্ ঙাইহাক্কী মিত্রংগুম থঞ্জবগী থল্লবা ?

হিংত্রগা করি মাংলিবা
শিগ্রদি ফম্রে থেম্নবা
'হুদি পোক্কবনা ফফম্ লৈরবা
শিনিংদবদি ফাওনরি পোক্লবা ?

ফংদা অপাম্ব ঙাক্ত—মিহৌরি করি
মমিদা খৌশাবঙাক্ত—হৈন্নরি করি
অরেম্-অপাদা ওইজনবা থিরি করি
মমিদা মী ? মমিদা মী ? মমিদা মী ?

কপ্ হৌরক্লা লীংজেল্ ।

“মচা চাউরক্রে” মমা-মপা পোংজৈ
“মচা অমনা মপা হাৎলে” তানিংদবা পাউনি ।

মচাহুনা করম্ হাৎপা ঙম্ব লীংজেল্
থাংনা মপামক্ত থীনুঙম্ব শারম্চৎ
শৌশাহুনা লাক্পা পেন্দবা পেন্দবা
শাগৎলক্পা ঈ মাবু পোক্ই কাওরবা ?

মপাহুদা মরাল্ থঙজিল্লম্মু হেন্মল্লি
মচা চাউরক্ই কাওই, পুশিল্লক্ই অতোম্বী
ইমুং কাংথোং চাইহল্লি, মীরাইরক্ই মচাশিং
শিরবা মতুং, চংনরক্ই শিগ্রবগী মীচং ।

মপাহুগা খঁৎনবা—থি থৌ-থিবগুম্ মমা মচা
ইমুং মহি লাংনবম্মু শিন্নে লাংবোইতা থন্নে,
শোয়খিবন ওইরম্মু, থিনুগে হাৎকে ঙম্নম্মু
মপামক্তবু থিনগুম্নবা, লীংজেন্ খামল্লি মচা !

শোয়ন' শোয়ন' শোয়খিদবগী শোয়রবা
মপা হাৎপা মীহাৎপা ওইরবা, মচা
চৎনবী রাংম লাল্লে, থঙ্লক্লগা, কপ্লবা
মথরাই রান' রান' কাদোক্ম্মু তারবা !

[illegible]

মপান্নু মীনি—ঙাইহাক্ হুজোঈ পাম্ব।
পূথক্রুরবা কোম্নি-কাঙমদা পূথরবা
রানা তান্‌বা শেল্—মীনাইগুম্ ভজ-চৎচ
নোম্ব কন্নি, ওইজ ওইথক্ হৈ, চেক্‌শিন্নি, লীক্ঈ
কদায় ? লোইনা হৈদোক্লম্‌লে ; পাওথোক্লে।

ঙাইহাক্তুং পোথারুবা—অরেম্ব শেন্‌গঙ্গন'
লীক্‌চবদগী পায়খিবা—নম্‌থাক্কি ময়াইন'
মতোম্‌তগী মমঙ্‌থিবগুম্ থোক্লরে, মপা
পৈশা পায়রে রাই—পায়ম্রে রাই, তারে
মপি কংদরে মমা, শিগ্রবগীদি লুপ্রা !

'ফত্তবোরে !' 'ফত্তবোরে !' মপাদম্নু, মমাদম্নু, মচাদম্নু
হক্কিল্-হক্কিল্ শোম্নরবা, মখোয়নম্নু তারবা
লুপ্রাবীম্নু ওইরবা, মীহাৎপা মচাগী, মমাম্নু তারবা
মহাক্ য়াওনা হাৎনিংলম্ব—মমাংদা শিত্থনা তারবা
পিরাংতন শন্‌থরে, মিকুপ্ খুদিং পুংজা পুরে !

লোইন' লোইবগুম্ লোইরে হৌজিক্কি
মিকানবা মরো-য়াওনরম্মরোই অমত্ত
অহিং-হুংথিল্ তুম্ব চংদ, মীহাৎপুংমি কিরনি।

মতম্ য়াওল্ লাক্‌পদা—শিগ্রবগীদি লাইরক্
ফাদোক্ তাপ্রবা মচাগী খল্, কোরৌশিংবুন্ পারনি
শিবা ঙাইবতা তারনি—হুংঙাই মিকপ্ থোক্লরোই॥

[illegible]

শিরে পুম্রে [illegible] !

য়োংজাও !
লাল্ মখাংদগী হিংলকপা
য়োংশিংগী য়োংলাকপা
হন্নুবী হন্নুবা পাম্বারিডৈ পোক্‌পোই নিংবা
মখরাং কোম্রে, মমিং শম্রে, পোল্লি-পোল্লি চৎলে।

য়োংনাও খেরে, য়োংজাও'সিদা লল্লবীরে
মরা চৎপীদরে, য়োংজাও মকোক হোৎন থাংলে
য়োংয়াম্ রা-রা লাংনৈ—খোংনাং মশা মথক্ শল্ল
য়োংজাও তরক্ তাহৌ, কাবা ঙম্‌দে থৌওইবীদ্রে।

য়োংয়াম্ অমনা অমদগী—লাক্ল-লাক্ল চানৈ
শল্লক্ থুংদ, লাক্‌প ঙমদা, য়োংজাও মখুৎ হায়ে
মমিং চোৎন কপ্পী-কপ্পী য়োংজাও চন্না হেল্লে
মিতাদবা য়াওদে মাম, লেল্ল অমা ফংদে।

অম্মুম্ অম্মুম্ শোনজিল্লকলে—চৎপা ঙম্‌দ ঈরে
য়োংনাও অমফাও মনাক্ নক্তে, লাইকম্নবা য়াওদে
য়োংজাও মদোম্ নহে-তম্—খোংনাং কুয়োং চংলে
য়োংজাও শিরে পুম্রে লোইরে—হয়িং কোয়পাই পাইরে

[illegible]

[illegible]

অঙনৃবা খোঙ্‌হৌদা   চাউখৎপা মৈমুখি
ময়ায় ওইবা তান্তক্‌   মীরেম্‌ মশীং চনখি
অরোইবা পোম্লোইদ   য়াহৌ-কয়া লমন্‌ খুমখি
কায়নবা কয়ানা   লম্বী লমখায়গুম্‌ থেংনখি।

হুংশি মশক্‌ খঙ্‌ত্রিবৈ   অপাম্‌-য়াইনা গুম্‌হৎখি
য়ুম্বাল্‌ মওং হৈত্রিবৈ   লেম্ন মপাং খিজিন্নুই
অউং খুংগুম লৈহন্নিং   মা-ন পান্নী' মায়কৈদা
খুংগী থৌরি তৎথোক্‌খি   শম্ব ঙমদ কায়নখি।

য়েংন য়েংন লাপথোক্ল'   পান্ন পান্ন খায়নখি
থুপ্‌ কি-ফাইবুন্‌ পুন্নবা   চন্নফম্‌ লাক্তে কোজোই
'ম-ন 'মবু লেন্নবা   তোখাই তান' ওইহনখি
কেন্নবা শমজিরৈগুম্‌   য়ুন্নাক্‌ হোংখি কায়মখি।

মওং অমা হোংলক্‌খি   মতৌ অমা মাল্লক্‌খি
চন্নদনা খুইরবা   শমজিলৈরাং মীহুৎচং
হজিন্‌ হজিন্‌ ঙম্‌হনা   তম্‌থোক্‌নিংনা তম্লক্‌খি
উঙম্‌-ন শৈথারকখি   অরোইবা'তিয়া ফাও-ন

পায়রবা তম্‌খি নৌহৌ-ন   য়ুম্বাল্‌ চৈঙাক্‌ অরুবা
মহুং মতম্‌ চাদে খঙ্‌   হেন্ন চুশিন্‌ মীরোল্‌তা
হৈনদা'ঙাক্ত হৈনা'শেম্‌   কোইরাং লাংখি তরকতা
ঙন্নোইদদি ঙন্নম্‌গে   থাজ রাশক থম্‌জখি।

১. [illegible]

ভপ্না-থোক্নরুকপা হি ঈয়ায় য়ৌত্রি লাক্‌খিগুম্‌
মল্ল'মাগী মালেম্‌দা কনুবা ওম্‌দা লাইচৎ-ন
থরাই-ন হকচাং থায়-ন অভিয়া ভম্ন পাইখি
তুরেল্‌ তোরবান্‌ তম্ন-পু উকুল্‌ শক্তম লৌহনখি।

থাবুম্‌ তরা শুক্রিবা হওভা হায়না কপত্রীবা
মচাহুদৈ শোল্লম্ব' য়েংনিং উনিং ফংখিদা
পাউথাং কয়া শিন্নরম্‌ কায়-ন ফিঙৌ কুপ্‌খিবা
মহুং মতম্‌ চাদনা অমঙ্‌ য়াইথোং কুম্‌থিবা।

উৎকি থুভাম্‌ অমত্তুং তুংশিন্দুনা থম্‌হৌবা
মশক্‌ থঙ্‌না শাগৎপা ঙন্নোই থঙ্‌না থম্নবা
উৎকি মবিক্‌ মরিক্ক লৌনিং' শক্তম্‌ লৌরকৃউ
তা-ব লাকৃউ হুমীত্তু নচাই হওঙা কপ্পদা!

নথানুং-দ পম্‌জনিং ফংদ-ফংদ তুক্‌প্রবা
হৌগৎলকৃউ কয়ানি উৎকি ফিরুকনুংদগী
অপাই উকুল মবক্ত শক্‌উদ শক্তম্‌ লৌজৌ
লাইরম্‌লেন্দগী লাকউ, শেন্নরখো নচাবু!!

অশি হৈবোং মঙুং তুম্মিং

মরোঙ্‌ মরোঙ্‌ চগুংননা
চরোঙ্‌ চরোঙ্‌ ঙৌরোক্‌ঙৌনা
অশি হৈবোংথক্ত পান্নি'হৈবোংশিং
হৈজদ কনাগী পাম্‌দ' লাংওয়ো
শিগ্রবা কনাগী অপাম্‌ শাইওয়ো ?

ওকপাই পাইথোক্‌ ঙমজদথে
ঙৌ ঙৌ ঙৌরিবা তুম্মিংশিং
করি মরালবু লংজু'গী ওৎপনো
করি ময়ায়না ফাজিম্ন' থম্বনো
হিংঙি থঙ্‌দ-ন হিংলম্‌রিনিদকো ?

কালেন্‌গী নুংশা, নোংজুগী অচোৎপা
নিংথম্‌গী উল্লেন্‌, অশিংরান' শাহম্‌
নংলম্‌লোই, থঙ্‌লম্‌লোই, মঙুং অহুদা
নুংঙাইবা অমদি শোয়দ' ফাওরম্নি
ভুরুং ভুরুং ভংনহুনা শাম্নঙায় রারী লৈররোই

হৈবোংশিং মমুন্‌ফা-ন চেক্‌থাইরক্লবা
য়ো য়ো পাইথোক্লরকনি মফাং মফাং
মহোশা হৈনবী হৈ-ন, ফত্তবগী ফত্ত
থেংন' থেংন' চিক্লরনি অমদগী অমদা
মপুক্‌ থন্‌কম্‌ থঙঙোই, অশি হৈবোং মঙুং তুম্মিং ॥

পোক্‌পা শিবা

মালেম্‌দগী লৈথোক্ত-লাপ্‌থোক্ত থা
কোয়ন কোয়ইন ইনবদা, লৈন-লৈন লৈবদা
মঙাল্‌ পিবিহুন ঙালহনবী
মচিন্‌-মনাও মশক্‌ খঙহল্লী
মমাওইবী হুম্বিংনি, থা- মালেম্‌ন মচানি।

মপোক্‌ হুমিং খুদিং
মমাগী মঙাল্‌দা কেকু লোৎপী শান্নে
থাজন অমুক্‌ খুমজিন্‌, মালেম্‌ন অমুক্‌ খুমজিন্‌
মাংখিবা য়াদে থিগন্‌বী মমানি।

অওন্‌বা নাই তাক্‌ই, অমত্তনি উৎলি
মালেম্‌দা মীওইবা শেম্লক্‌ই, পোক্‌হল্লি, শিহল্লি
পোক্‌পা শিবা নাইহন'গুম্‌
মালেম্‌, থা মাংলক্‌খিবা তারি
তিন্‌খিবা য়াই হন্ন—মমাগী ঈরোম্‌ংদা।

অহুতা খঙনবা-থিনবা-উনবা শেম্লবা মীওইবা
ঐথোয় অহিংবা, ঐথোয় শিগদবা
লৈরি'থৈ মমামচাশিং'সে—পোক্‌পা-হিংবা-শিবা নাইথিনি
মথোয় লৈত্রবদা হিংলরোই, শিখিবদগীদি মাংগ্রনি।

শিবহুনি ঙাইনরিবা, অচাউরম্‌নি তান্নরিবা,
অপেন্‌বা শক্করিবা, মীরোল্‌ শেম্নরিবা
হৌগ্রবনু ঙাম্নরবা থিবা, হিংবা-শিবা অন্নে
শিবু শিন্নবা পুন্নমক্‌ লোইরে ; কিরে॥

ঝঙ্কারি ঝঙ্কারি

মমাংচীংদৈদ' থোক্পা   মনিংচীংদদ' ভাবা
হুমীৎ নঙ্না চংগ্রগা   নিংশিংহল্লে হৌগ্রবা,

অশংবা চীংলোন্ মাপন্ন কোয়হৌবা
তমপাক্ক থবী মহুম্ শাহৌবা
লোক্তাক্ক লংন' থাজওই লংহৌবা
থরঈমিচাকুম্ খনূপোক্শিং ঙাল্হৌবা

ঈপাম্ লম্দম্ লম্মুংশি   নুংশি মায়কৈ তাম্হৌরে
থাপ্প-থাপ্প' নিংশিংলে   লাপ্প লাপ্প' নুংশিরে।

চীংজাওগী তাঙ্গোই তমপাক্ত পাইথরম্লনি
অথাপ্প চীংমায়দা লাম্মৈ-চাক্পা উরম্লনি
নিংথম্থাগী চন্নামৈজাউ ভিক্সরম্লনি
হজাম্ মথেল্লম্নু ওম্হাই থাক্লরম্লনি;
চন্নাখোক্ মরক্তো—নিংথম্ লুরাও পম্বাদনি
থাং য়োংপাক্ পায়হুনা—ককথুম্ তান্বা য়াওরম্মনি,
থুনিংকায়' চেক্থায়বা—অশিং-অরান্ পম্বাদনি
পাংপান্গী লম্হাংদা—তেলঙ্গা পাইনরম্লনি।

অহাংবা মালংদা   কানিংবা উচেক্ পাইকম্লনি
অমম্বা অহিংদা   লাংদাল্থোল্ খোঙ্কেল্ তারম্মনি
অপাক্পা ঈপাক্ত   পেংবাশিং মথে-লাংলম্লনি
কংথর'-থোড়বান্দ   সম্পক্পী মভোল্ চোংলম্মনি।

অহুঙৈ অঙ্যাং ওইহিরিঙৈ, মতৌদো মমাংঙৈ
উত্রি অপাম্বখে চাগে, পীযুদা তক্লিঙৈ
পুক্‌ক্ষত্ত-মীংঙায় হৈরিঙৈ, ওইনবা পক্লিঙৈ
পীব্রিখে পেনুঙম্‌দা-খন্‌ঙৈ, ওইনিংঙৈ, ফক্রিঙৈ···

খোংনাং মনাগী তুপী উপ্‌, খোংনাং-চনপ্পী চৈদ'নপ্‌
কুরাক্ ফাঙম্‌দ্রে চরাং উপ্‌, পাইয়ে তান্নমা চৈদ'নপ্‌···

"কুরাক্ অমা পাইরক্‌ই, ফাহনা পায়হনা য়েংনিংই
মচু মচু লৈতেংই কোয়চেন্‌বু চেন্দুনা তান্নরুই
কোম্বোংরাংমা লাম্বোক্‌রুই ফারনি খন্দুনা ইন্নরুই
হঙ্গাম্‌-সম্‌হ্রাং শম্‌জিন্নুই তুরবকাও ওন্দুনা লাম্‌খৎলুই

রাবনা খোঙ্‌থাং থোক্রবা
হুংশা ফুইনতা হোল্‌হৌই
লৈ-ন' পাইবতা উরবা
তকশি-শোন্দুনা খাংহৌই
মীৎয়েং-কারল্‌বু লানথবা
শাওনা চোক্‌থনা হল্লক্‌ই
তান্‌বা ওম্‌দনা হল্লবা
কোয়পাই কোয়পাইতা পাইরক্‌ই

কুরাক্ ময়াম্ পাইরক্‌খি
কুরাক্ মতেং পাংলখি
লৈ-ন—লৈ-ন' রাংথৎখি
মীৎয়েং কারল্ শাম্‌জিন্‌খি ॥"

ফকারি-ফকারি

কোন্‌সং মপাল হেকুলা লঙ্‌খং-লঙ্‌খং থাদবা
অথা-অতু 'খন্দুনা পরেং-পরেং ফম্‌হন্‌বা
মচু-মচু উবদা হরাও-তয়াম্‌ নোক্‌থিবা
নিংখম্‌-শম্‌জি ফিজেংকি মুল্লা-রোইনি খন্‌থিবা ...

"ঐগী কোন্‌সং পাম্বী
মপাল্‌ শারো-শাংলো !
কুরাক্‌ ভোংহল্লোই, কক্‌চেং কাংহল্লোই !
নিংখম্‌-শম্‌জি তেক্ত' মুক্সা শান্নহল্লগে—শারো ! শাংলো !
হেক্কনি জুরা-জুরা, জুরা-জুরা
লঙ্‌খং-লঙ্‌খং থাধ'
পুন্ন-পুন্ন অনী-অনী, অহুম্‌ অহুম—মরী মরী
অথাবা অতুবা খন্দুনা ম-পা—ম-পা ফম্‌হল্লি
পরেং পরেং লেংহনা পরিঙ্‌ পরিঙ্‌ ;
ঐগী কোন্‌সং পাম্বী
মপাল্‌ শারো-শাংলো !
করম্ব মচু শাংকদৌরি ?
অঙৌবরা ? অঙাংবরা ? অরাংবরা ?
অঙৌবরা ? অঙাংবরা ? অরাংবরা ?
ঙাইখিনি শাংত্রিফাওবা, ঙাইনি-ঙাইনি ! শাংলো-শাংলো !
নোংম্ব চোংহল্লোই খন্‌গনি,
ঐদি চরা রাল্লরোই শঙ্‌খিগনি
ঐগী কোন্‌সং পাম্বী
মপাল্‌ শারো-শাংলো !
ঈমা-ঈমা-ঈমা ! তারিবরা ? তারিবরা ?
ঐগী কোন্‌সং শাংলে, অঙাংবনি ! অঙাংবনি-অঙাংবা !

হিগোক্নু য়াওই, মকোয় হায় থিদোরক্‌ই !
য়েংলো লাওনে ফজদরা !
ঐগী কোন্‌সং পাম্বী
মপাল্ শারে-শাৎলে !”

হৌদোং-লম্বোইবা, হুংদাং-খুল্লক্ কোয়রুবা
কবুই-কৈওইবা, থাবা ফাগে লূম্‌লুবা
তপ্তাকিবা কৈ, শাগোল গুয় চেল্লুবা
চাক্‌ঙাইরায়ীদো, তাখি হুংতি’ লিখিবা
মীনা থাদক্কাও থুংলবা
লৈতাল্‌’ষন্‌বু শায়িবা
কৈবু শাগোল্‌গুম্‌ ভোংখিবা
অহুঙাক্তে খল্লীবা
মল্লাম্‌-কোন্‌বী, অমাংবীদা শায়বা
ফিহুম্‌-থোম্বী, সেবোত্তিদা শিংনবা
খূবৈ-মাংজোং-চোংবীদা তায়বা
থীরী সিকস’ শায়রন্নু খৎনবা
লাপ্ন-থাপ্ন লৈরগদা নিংশিংবা…

‘নচা খূত্তেক্ ! নচা খূত্তেক্‌ ! ’—চানিংবনা নিবদো
‘নশরুক্ ! নশরুক্ ! —কম্পিং-কম্পিং খুম্বদো
‘থল্লা’-শীরকণ্ঠ হায়বসে !’ পীদ-য়াদা [illegible]ক্‌পদো
‘মায় কৈম্নু পীরোই-পীরোই !’ পীনীংদনা পেবদো
‘ঈচন্দি মবুক্ ফগ্র-পোৎনি
হায়ত্রম্নু হেক্তে পীরক্‌পনি
ভো পীরক্তোরে ! পীরক্তোরে !’ পীরক্‌পনি
য়েম-য়েম চামিম, ঈচন্দুদা নিবনি ।

[illegible]

লুকোক্পী ঈচন্দুনা কাপৈ-কাপৈ 'ছুং ইরম,
ঈশিংদা-তারম 'শিরম্, ঐনা লৈত্রিঙৈ খুরম,
লাইনা লৌবনি হায়জিন্, কাক্থোং ফক্তে হান্না থেম্
মৈচংবা য়াদে হায়জিন্, ঘুম্থিবা তারে লাংলম্ ;
আচৌ'খরাং মতুংদা—হাপ্চিন্দুনা ফুম্বনি
কপ্প-থোক্ত থবাক্য়ৈ—ঈপুম্ চঙনা খাংবনি
ভেংথা-কপ্পদা ঈমান্না—ঐস্মু হেক্ত কপ্পনি
তুম্ব-চংদ'অহিংদা—অঙাও-শক্তম্ লৌবনি,
লাংজরিঙৈ খেজরিঙৈ, পীখিবনি মৈচাক্
নোংমত্ত নত্ত' কয়্যানি—তাখিবনি তরক্
কন্না 'মত্তদা তাইনদা— কপ্খিবনি হীক্ হীক্
অপাক্পা-ঈশিং উরগা—শাওখিদো ঈথাচীক্ ;

অমম্-অঙাল্ মশীং-থিদ'—মশীং-থিদ-থিদ
কাজিন্নক্খি চহি চহি,—শাক্খি-হৌখি কাউখি
শজিবু চৈরাও চৈরাওনা, মতাং কযা লাক্খি
অরী-অনৌ থন্ন-লাক্শিন্—মমি শানি লাক্খি ॥

ঙসিগী অহিং নঙনা হৌগ্রবা
হয়েংগী অয়ুক্ত নুমীৎপু উরবা
নুমীৎকিদি ঙম্লোইদৌরি—পুথোক্কে থেম্নবা
নুমীৎ মানদি—ঈরম্তুগী, মীরম্সিগী—উরকনি থেম্নবা !
ঙরাং উথিবা ঙসিদি উদ্রবা
ঙরাং খঙদবা ঙসিদি থেংনবা
ঙরাং পোক্ত্রিবা ঙসিদি পোক্নবা
ঙরাং চৎলম্ম ঙসিদি চত্রবা !

হিংলি লেংলিবা উহল্লে ভাইহাকিনি
মতম্ মতম্‌দা হিংহূনা চৎনগ্রনি
মাংদ-য়াওদ'—অওন্‌বদা লাক্‌খিনি
পোক্‌পা-শিবদা'—হূমীত্ত লেপ্‌নখিনি,
লৈয়াংস্থ অন্থম্ শাংখিনি
মকূম্ পম্বা' তুংইন্‌নি
খোইমুস্থ লৈ-ন' পাইখিনি
লেংলি পাল্লি তাক্‌খিনি।

"পোম্লিবী লৈরাং শাৎলো-শাৎলো।
শাৎলিবী নঙস্থ হাইরো-লাংলো!"

কোয়না পাইরিবা খোইমূনা ঙংলম্‌দরা?
য়াংনা পাইগ্রবা খোইমুদি' উত্রবরা?

লৈয়াং-খোইমু লোইনবা
লৈনম্-ইরাং ঈহোবা
লৈকোম্নুংগী মালংবা
মেংনা-তপ্ন হূম্লিবা!
চৌংগী চৌংশাং উত্রবা
পীক্‌চ'—তুরেল্ চেল্রবা
অইং-ফুংশিং শিত্রবা
অলা-লৈঙোই পুরবা …

ফজবা পোক্তে মীরম্‌সে, অপাম্ব লৈতে লৈকোল্‌সে
মশক্‌পু থীরে খোইমুসে, ইকায়বা হৈত্তে লৈয়াংসে'

[illegible]

[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] উবে [illegible]
'কজরি'—যাজনা [illegible],
'তাম্হৌবী মাচন্' মখক্তি।

থম-থম তুম্থরম্—থদ'ছাক্ত মহু-মহুই
তুম্ব-য়াদ' হোৗগৎলি—নিংশিংহনা শাসংলুই ···

"অরাংবা চীংশাংগী ওয়বা চীংথায়নি
য়ারম্ন-য়ানা থৃৎশয়' কাবনি
কামিন্ন-কুন্মিন্ন থা ন-দা খোঙ্হৌনি ···
লোক্তি ঈশিং খুজোক্-খুজোক্ ঐমু-মামু কনৃথনি
পেন্দ্রিকাওবা খক্চিনবা, পেন্নগদা তোক্পনি
য়াই-য়াই চাইশিন্ মোক্মিন্ন, ইচোৎ-চোৎনা লুপ্পনি···
পাক্লবা তুরেল্ লান্মিন্নসি কুম্
মা-ন' ঐবু পায়, ঐ-ন' মাবুশম্
ঐ-ন' অমুক্ওৎ, মা-ন' অমুক্ লাম্ ···
তাওথমিন্নবা, লাম্থমিন্নবা
ঈচাউ-ঈহল্গী ঈরৈবু ওইরুবা
লৈথোক্কম্ থঙ্দ' লৈশিন্মিন্নবা ···
ওৎপগী পাঙ্গল্ লৈশিন্নক্রুবা
হিংবগী থৌনা উশিন্নক্রবা
ঈমায়গী ঈশিং থক্লরক্লবা ···
থাদোক্নবনি তোংঙাল্-তোথায়দা
অম-ন'মবু লাম্ব কংনদা
লাওবা তা-ন-দা, কৌবা তম্-ন-দা ···"

[illegible]

[illegible]

[illegible]

মচুনু [illegible]

মহাক্-মচুবু 'মেনিনো' অতোপ্পা মতুনিন্নুই

মচুগী মরাই চৎহন্নিং' থুংবখিগে হিপ্ থরুই

তুম্ থৌরাবে শাওনিংলুই, খোক্ এববু লাম্ শিন্নুই :

অওই-ওইদা নৈমনিং—থন্নুবনা পঙ্খৈ-য়ো

চুম্ দোবনা কদায়কাও ? লান্দোবনা কদায়য়ো ?

"মান্নবা ! মান্নদবা !

মান্নবা ! মান্নদবা !

মান্নবা !

মান্নদবা ! "

তুম্ ত্রিভৈংগী থল্লম কায়রে

অঙাং-ওইভৈ মতৌ লাম্ দরে

'ফজরি'গী মতৌদা উরে

'ফজরি'গী শক্তম্ দা উরে … ॥

চৈরাওবা নুমীৎকি মম্ লম্ দায় অহুমকনি

চৈরাওচীং মথক্কি থেংনবা চীংমায়দনি

মহাক্ কুম্নক্পা ঐহাক্ কাবদনি

কয়াদি ফজথি—ভৌরোক্-ভৌ ফিজোল্ নি,

শেংলি ইল্লি-ফিজোল্ অশেংবা অঙৌবনি

মমায়দা থীল্লকপা চন্দোল্ মচু অমহানি

লাইবক্ত নম্নক্ পা অঙাং মচু সিন্দুরনি

থাজবা পুরক্ ই নিরক্ পগী পোৎহাপ্ নি,

ফজরি-ফজরি

ইকায়বা উৎপমা ফিজিনি, চীন্‌বান্‌দু খন্‌নমা খুৎশানি
থৈন-না চৎপদা উবনি, ফজেদো উরগা লেপ্পনি
হন্দুনা য়েংখিগে হন্‌বনি, মমাংদা প্রথপগুম্‌ য়েংবনি
হৈনদা মঙ্গোনা মাগীনি, মমায়দো হুৎ-হুৎত্তা লৈবনি,
মতৌ অতৈ উরবা চন্‌শিন্নীংখি পাওথোংহুম্‌
মোমোন্‌ মোমোন্‌ নোক্‌শিল্লুই পাওথোংওইদ' ওইরগুম্‌...
লুক্‌থখিবনি মহাক্ক মায়পুবা গুম্‌দা ইকায়বা
পাওথুম্‌ ওইরবোই লৌরুখি খঙানবগী য়াম্‌গ্রবা ;
অমুক্‌ হেন্‌গৎ অমুক্‌ তপথ' খুয়োইদবা রাহৈহ্নি—
'ফজরি-ফজরি !' নাপ্পা'চীক্ক শোন্‌বনি
চীন্‌বান্‌-য়ারা কাংলক্তে খোইরুম্‌ মোমোল্‌'হুদনি ···
চোক্‌থরবা মায়থোংদা পথরবা শম্‌জিরৈ
হুমাং-থোক্ল মথুত্ত চরোং লৈরাং উথক্‌লৈ
পক্‌চথরে কয়াদা ফজথরে পামহল্লক্‌
পাম্মন্নস্থ খোইদাক্ক ইকায়রক্লে নিনিংলক্‌
হায়দোক্লরে খঙনগুম্‌ পীরকনি খিঞ্জিল্লক্‌

"শম্‌জিরৈ ওইরস্থ য়ানিদা !
উরৈ পীরস্থ শাওরোইদা !"
তান'-তান' মহাক্‌ খুম্লক্তে
উ ন' উ-ন' মহাক্‌ য়েংলক্তে
"পীনিংবা'অমা হেক্তে পীয়ু "
অপাম্বনা হায়ন্‌খি ইকায় মশক্‌ খঙদনা
থংলুক্কুয়্‌ লুক্‌থখোক্‌খি মহাক্কসি ইকায়না।

খুন্নরোই থাংনা খুম্‌ত্রবা
তাররোই তাশিন্নত্রবা …
কোম্বহোৌবদা মন্তাবা
লাপ্ন য়েংবদা তাহোৌবা,

লুতুং শম্লাংউরগা —হেন্ন অমুক্‌ লাংতক্‌খি
চেংহি মনম্‌ নম্‌হোৌদ্রে— মনাক্‌ হেন্ন নক্লিংখি ‥
মম্‌শিন্নক্‌খি খঙ্‌হোৌদা, ফুদিং-ফুখৈ উঁচিনোং
মতেং পাংগুম্‌ ঐহাক্কী—ইকায় নোংখন্‌ চুখি নোং

নিংশিংলক্‌লি কাওদ্রিবা, হায়দবস্থু হায়খিগুম্‌ …
"ফুইনা চুরক্‌পা নোংন। খঙ্‌হোৌদা
লূপ্‌লে-থাদোক্লে শম্লাং মায়থোংদা
চোৎনা-য়েৎনবা শম্লাং থোম্‌গৎনা
য়েংনিংবা মায়থোং নোক্লো ইকায়না
নোংগী মরক্‌ নোংথাংগুম্‌ লাক্‌পনি
থেংনবনি থেংনৌতম্‌ য়েংনবা ঐখোয়'নী
য়েংহোৌরে মায়থোং লোম্ন ফজবা
নোংখোংবদা থংছনা মিপাইবা
নোংলৈ-হুংশিং লাক্লে থেল্লবা …"

য়েংথোক্লক্‌খি ঐঙোন্দ খুম্‌লক্‌পগুম্‌ খুমদবা …
"ওয়াংদা পোম্‌শাৎ তম্লক্‌চরি
লৈনা খুদিংমক্‌ চেক্‌শিঞ্জরি
মালং-শাহম্‌থৈবা ওম্‌জরি …"

ফক্করি-ফক্করি

ম্লাথম্‌ংদা চয়েৎনা. মথা তাবা ঙম্‌দবা ···
“নোংছাংবদা য়েংলরোই—ফজবা
লক্কররোই কৌহুনা—শাওনবা ”

অম্মুম্‌ খল্লিডৈ হেন্‌গৎখি খোঙ্‌লৈ কম্ম
মীৎকুপ্ত য়েংহৌই য়েংলক্‌খিনি হম্ম
য়েংথোক্লক্‌খি উনিংউমাংলম্‌দাই
অমুক্তনি তুংহম্ম, মীৎয়েং কারল্‌ লাম্লম্‌দাই
লাক্‌শিল্‌হৌই কাওদনা. শক্তম্‌ মাগী ফজবা
উম্নদ্রিফাও থিনবা, মমাংথৎনা চৎনবা।

পুক্লিংগী অনিংবা অপাম্‌বা
মায়থোংদা মকালাম্‌’ উক্লবা
খঙনবা-তানবা—ফোংনিংবা
ইকায়বা তারদ্রা—হৌদ্রিবা ···

খোইদা’ মকা তম্ভ্রনিং
কোয়না থিক্লই ঙাঙ্ননিং
কোয়চৎ চৎলুই য়েংননিং
কোয়হং হংলুই উননিং ···

হায়রগে খম্ম চৎলুবা
হায়দোক্‌পা ঙম্‌দা ফুম্বংবা
পাঙ্দবা হায়হু তারবা
ফোংঙম্‌দা মশক্‌ লেপ্লবা ···

রাগী রাগেং শেল্লুই
রাহৈ মচল্ থিরুই
পীগে তম্না ইরুই ...

"নঙুগুম্নিঙৈ শিংথানবা রারীনবা
অসাং নৈরাং নৈনম্লাঙ্ খোইহিচেন্বা
মভাংলাক্লে জগোই-শারো হাইনা-হুম্লো
নৈরাং নৈকা উংনা ফল্লো শম পোংলো
ঙংনা পাইরে খোইমু ময়াম্ ইরাংনরে
মূ-ন-মূ-ন নৈ ন-নৈ-ন মীতানরে।

মভাংহৈনা মরৈনৈবা লোইনা য়াওরে
কোইপাই কোইপাই তাঙ-চারে ঐস্মু য়াওরে
যেংলো থল্লো খোই-দা-হুংশি হেন্ন পম্বা
পোম্শাংনিঙৈ লুম্জরক্পা য়েংজরিবা
হায়জবনি থঙবনি পাওজেল্নি
বুইববনি উরম্মনি,-থঙুলম্মনি-তারম্মনি !
করম্ হায়না লোংকদৌরি থুমগদৌরি
থুম্গন্দবী নহৌশানি লোংপা হৈরি
শাওগন্দবী-'হোয়দা-হায়বী'—হৈ-গনবীনি
থুমদবনা লেম্লবনি—থনগনবীনি
করি হায়না থুম্গদৌরি ঐঙোন্দদি
'খোইদানসি—চান্নরসি' হায়বদদি ?"

অসি পেন্দে থম্জিন্ অমা মুক্ই
অমুক্সু ই অমা মুক্ ই অমা মুক্ ...

"নহার্ক শারম্ গন্না লোক্ত তাত্রিকদা
মতাং কয়া ওইরম্ সোবা লোইবা থর'নাইদা
ত্মখোক্ল্ হুদি হাররিকা লিপোক্ত'দি ওম্দা
তম্ নবরা লিরিবা থম্ব-লীনা'ওম্দা,
তম্নরহুনা তাররে—খোঙ্গাক্ ওম্দনা ইকায়বা
ফোংনবু ল্যাকে তম্হুনা—ল্লাশকি পোবু কাংনবা
য়েংহুনা লোক্পা তারগে—ইকায়বা শক্তম্ উনবা
লৈরাংগী মাচোম্ পীরগে—থেংনিংনা থেংপা উনবা "

সিমস্পেল্দে ই ' সিনত্তবা
ই ' সিনত্তবা ই ' সিনত্তবা

"য়েক্লে মায়খোংস্থু কাওররোই শক্তম্
উথি'নিংশিংনা—শাগৎনি য়েক্ওম্
মীৎচাননা ক্লোশিং খোইরুম্ মোমোত্ন নোক্ওম্
হংদো কয়া হংওম্দা হায়পদা' লৈতুম্ চৎলম্ …
মতোল্ তুম্ন থাক্লিকা খুৎশা ওর' খুজিন্শিং
তওাংশংনা তুম্ গ্রিৎতুম্ তনৌ আকি' হাপ্পশিং
তপ্ন-তপ্ন হাইরম্ব থীমদোবোইত' মায়শিং…
অঙাং-মচু লৈয়াংনি লৈনম চেক্লে তাকপয়া ?
চন্নে-শেংলে ময়েক্তাক্ ওাকে থনগে তুম্বরা ?
অকি শক্তম্ লৌনবা অঙাং শংগে শংবরা ?'
মচু মতেং লোয়গা কক্ত য়াথক্ পুবরা ?
তেম্থেং-তেম্শিং য়াম্নবা ময়াক য়োনা' য়াকপরা ?
হংনিং থঙ্নিং হংবন্নি য়েংনিং উন্নিং উশিন্নু

কাউকন্ লোতংনুংবা—তিশং [illegible] [illegible]
হৈবী[illegible]ন্ কাম্নু থাও ঙৈ না [illegible]
ময়ায়' পূম চম্‌হক্লে অপাম্ [illegible] [illegible]
য়ুরে য়াদে [illegible]রোই খেত্রীং শৌনা শৌহল্লু
কম্ন শিক্লে তুজুংলোই কুরাঙ্‌-ভৎকে ভৎহল্লু
কৈগুম্ খোংকে খোংচরো শাদোংয়াওগে য়াওহল্লু
খোরি খোংকে লাম্‌লরোম য়'লাংগে লাংহল্লু
লোইনা ইয়া য়াজরে নঙ্‌দা ঐগী ওইহল্লু ॥"

অমত্ত পীওম্‌খিদে থম্‌জিন্দুনত তোকখি
লাংখি ওইরোইদবত, অপাম্বঙাক্ শাগৎখি ···

"ঐনা হুন্‌বা লীকোন্দ পঙ্গা থোক্লনি
নঙ্‌বু হেক্ত থন্‌গনি মীনাই ওইননি
ঈনাক্ মক্ল ফম্‌হন্‌গে কাঙ্‌বু হুম্‌হনগে
শুক্‌পো-পোথাহল্লোইনে নোংবু ঙাল্‌হনগে,
লীকোন্ শিন্ন খুদিংগী খুত্থম্ কম্ন শুগে
অয়ো অয়ো হায়হম্‌গে শুগত্তুনা থাংহন্‌গে
শাউদা শাত্তরা' থেম্‌গনি—'লীকোন্ হাপ্‌চরগেদ্রে'
'সুংশি থোইবী সনাহল্‌-পাম্মু ঈনে মচানে' ···
হোৌগৎখ্রগে হায়রম্ন ফম্‌থনবা থেম্‌গেকো
'কম্ন শুবিররোইয়ে লীকোন্‌শিত্থম্ লোরোকো'
নখুৎ পায়না' থেম্‌গেকো, চান্ন রারী লীগেকো

নোংঙাল্ রাদা ঙাইয়ুকো
অয়ুক্ কোয়বা চৎসিকো ॥"

[illegible]

অকন্‌বা ঈথিন্ন লাক্‌হংখিবগুম্‌ ঙম্‌হনখি
মাঙোন্দ শোয়দা পীয়গে অইব্‌মা শেম্‌খি
শেগায়ত্তনা মাংহন্নিংদা ভাঙ্গা চাবা ঙায়খি
থুংশিন্নহনা শিন্নখি পাউথুম্‌ পীয়ুথোখি …

অহান্‌বা পীখিবা অইবা
শিন্দোক্লনন্নু থম্‌হৌদ্রবা
য়াওখিবা ময়েক কাউরে
ইখিবা মবোল্‌ কাওরে
'হুবু শাগৎনা শারে …

"করিনো মত্ত ভন্নিংবনি থোইদোক্‌না
কুইরে থন্‌ফম্‌ থঙ্দবা থিকম্‌ লৈতনা

ফজ্জবা'মা উবদা হেক্ক লৈনিংই
হেক্কমক পীনিংই নঙ্গী ওইহন্নীংই …

ঈনাক্ত লৈহনা চন্নবী ওইরবা
লৈজবা পুন্ন থাক্তনা লোরবা
পাম্‌জবা থন্দুনা থোইদানা লৈরবা
মহনা পেন্থবা ওইরনি থল্লবা · ·

হায়রিবা অসিমক হায়মন্‌বা থোক্লনি
হায়ফম্‌ থোক্লিবরা থন্‌বদি থন্‌বনি
য়াগন্দবীনি হায় য়াগল্লোইদবীনি
য়ারল্লোই থাংলন্নু থেন্নগে থেম্বনি …

য়ারোইত্রা ' থন্ন হায়দোক্‌পাসিদা য়ান্নক্লবা
কয়া ফুংগাইনি নিংবা মহৈ য়াল্লনি শারবা '
মতম্‌ সুচানা খোড়্দামিন্নথরে 'হায়নদোষা
ইকায়ন্নুদা ঐহাক্‌পু, তাহম্‌ গন্থু মায়থাবা …
থুম্রক্রুগা ইন্নক্‌ খিনি অমম্থু, ভাইবওই করিওই
… ঐ "

পীগ্রমতুং উন্নগদবা ইকায়রকখি কয়া ঐ
লৈফম্‌ খঙ্‌দা' হঙ্গোইশিল্লকখি লক্লগদফাও ঐ
মতৌ মাস্ত্রে থুম্রকদবা—অম্সুম্‌-অম্সুম্‌ চৌংনখি ঐ
নোংমা অমা ভায়বদা কয়া রাখি ঐ …

নোংনেন্‌বা খুদিংগী শাওনীংলুই
চত্তুনা হংনীংলুই হায়নীংলুই
নীংবনা রাখন্দ তোংলক্‌ই
মালংদা হেলোইগুম্‌ পাইরক্‌ই
পেম্থোক্‌পা তম্‌হনা লেল্লক্‌ই
লম্‌হাংদা য়াতাফম্‌ ওইরক্‌ই
মোইবুংফাও খোংহনা থিরম্‌ই…

"নোংমা হেলোই অমা—চবোৎ হাবূং
ঐ মাঙ্লুরে মোইবুং খোংলম্‌লে …
সুংশি-সুংশিবা ঈশৈ শক্‌ই
মথুৎ হৎ-হত্তুনা কৌরক্‌ই
মনাক্ত নক্‌শিল্লে চৎমিন্নে
য়াম্ন থাপ্ন পুখি ঐথোয়নীত' কম্‌খি

ফজরি-ফজরি

তূম কংলক্রবা অমগুম্ চৎলীখি
মতম্বাক্ মোন্থাংনহন্ ঐবু তম্ন নান্খি …
লৈগী দোলাইদা পূম্ন ভোংলুই
লৈচিল্ নোংফাইরক্লায় পাইরুই
লৈকোল্ করাদা চৎমিন্নরুই
মেরাথাগী সনারৈ হেক্রুই
লৈচন্বু চা-ন' লৈপরেংলুই
দোলাইবু থম্ন লৈপুরক্ই …
শেগায়-শেগায় লৈবু চায়, লৈগী পরেং মানা হুক্,
লৈগী লৈচল্ চাবা থল্, পরেং অমা ঐনা হুক্
ইরাংদা ফুংভাই লাংলিঙৈ
মালংদা লৈনা' পাইরিঙৈ
মঙুগুম্ মঙফাওনরক্পা শুক্থঙ থঙহৌখিদরে
মমি-শামি মাঙ্খরে কনা'মত্ত উদরে …
খুবাম্সিনা থৎলম্গুম্ চরোৎ হাবুং মরক্ত
চরোৎ মনা ভাক্তনি খুৎকি খুৎশা মরক্ত !"

রাথলগী কোয়ুংদা ঈথন্তগী
ফাওগৎলক্খি ভাওথৎলক্খি মাগী —

"থম্মোয়হুংগী রা লোৎলম্বরা
মালং শাহুমদা ভাওখিবরা
তুমিন্ লৈরগে থুপ্রবরা … ?
লৈরাংগী লৈনম্বু লোৎপ্রবা
খোইমূগী খোঙেল্ম্মু ঙোম্রবা
লৈনম্গী ইরাংমু খঙক্রবা !

থাবল্গী ঈপোম্বা কৌশিল্ল
থরোঙম্ শাৎলখো ওেম্শিরা …
তাইনফম্ চাবখৈ তাইন'রাউ
উত্রিবা মফম্দৈ পুরোলাউ … ॥"

খুম্নক্পগুম্ তাখি—য়ায় থাপ্ল অথাপ্লদা
ওন্সিন্বদি ঙম্দে—কৌঙম্থিদে খুৎলাম্ তোইনা
লোল্ল হৌনা তাখি—ফোংঙম্দবা য়াথয়ুংদা—

"লৈরাংশিংশি খঙ্উ হুংশিনা য়েংউ
লৈনম্দা ঙাওন্নু হেক্তুৎতনা য়েংউ
থাজগা মীৎচানৌ মঙাল্সিদা য়াউ
থম্মোয়বু ইংহল্লু লৈনম্সি কাউ !
ঙাওসিন্নরন্নু অঙাওবা শাত্নুনা
হুংশি হৈতয়'নু হুংশি খঙ্দনা
থাজো, থাজো হুংশি হায়বসে নঙ্না
থজহল্লু ঐবু খন্বসে নঙ্না … ।
ফল্লখোনে লাউ য়েংলোলাউ—'ফজরি'
চংলক্খোনে লাউ হায়রখো—'ফজরি'
হুংশি হুংশিনদি শেল্লৌ—'ফজরি'
থাদোক্লোই হায়নন্নু হায়য়ু—'ফজরি' ॥ "

"নঙ্গুম্ব অমত্ত ঐবু থেংনরক্তি " মানা
" নঙ্গুম্ব অমত্ত ঐন্নু থেংনরক্তি " ঐনা
মানা হায়বনা—ঐনা ঈনম্ ক্ন্বদা
ঐনা হায়বনা—মানা ময়োইরবোইদা … ।

থাজদা' হুংখিল্ অমা—থঙ্হৌদা' নোংমগী
য়োরক্ খি'পাওথুম্ অহু—থাজরুদে মাগী
হজিল্ হজিল্ কাঙ্লোক্ পাই
চিন্‌ফা পুত্রিকাও ফাক্ ই …
অহুনবু হৌজিক্ কাউদ্রি
লিবা ঙম্নি 'লিংদোরি
তম্ব ঙম্নি তম্ দোরি
'সিমক্ সিনি ফোংদোরি
শোয়্‌ররোই 'সিনি হায়দোরি …

" রাহৈ অহুমক্কি নাপ্পদা রৈররি
থম্মোয়দি য়াওদ্রি নঙ্‌না চম্ম হায়রি
ঐবু তানরা— 'ফজরি—ফজরি !'
নঙ্‌না লেপ্পম্বনি হুংত্তি' মপাঙ্গা
মতম্ কায়রম্দে লম্থেল্ হুদদা
হেক্তেমক হায়বনি ঈমাংমত্তুদা … ।
মুন্নসু য়েংই লক্কবসু হৈরি
তাদ'-তাসনু 'ফজরি-ফজরি'
ঐসু তাবনি 'ফজরি-ফজরি !
হুংত্তিগী খঙ্লব্বনি, কয়ারক্ তারবনি
মহুতসু খন্ বনি তারুগেসু লাক্ পনি
লেপ্পম্মনি খন্ বনি হেক্তসু লেপ্পম্বনি …
মতম্ ঙায়বা রাদে তাবগী পেন্ বা নাইদে
মতম্ লেন্ বা তম্ দে খন্ বগী লোইবা নাইদে
ম-পা-সাক্ পা'-রাদে য়াহৈগী মশাং-বাম্‌দে —

রাহৈ অনৌ অচৌবা শুক্ রাপ্ রাপ্ চিন্নক্তে
ঙাঙ্লক্পা য়ায় অতোপ্প শুক্ ঙাঙ্ ঙাঙ্খোন্নক্তে
হেন্গক্লপা য়ায় মথং শুক্ হেন্ হেন্গক্লক্তে ... ।

কুইরবগী তুংদা কাউগুম্—করিগী হায়দরি ?
ফোংননবা লেপ্লফাও — ফোঙথ্রদরা ইকায়রি ?
লক্লবহুনি তানিংবা—ফজরিনা—'ফজরি ' ॥ "

'করি পাওখুম্ খুম্সিগে ? করি ইরগা পীসিবা ? '
চীন্বান্ খোংদা কোংত্রিবা নোমজহ্ ঙাঙ্ত্রিবা —
রাহৈ ঙাক্তনি ইখিবা—ঐনা ঐগী মাগ্র'শিং
মহাক্কী মান্দ' রাহৈশিং—মান্দে থন্ন পাখি'শিং · · ।

রাহৈগী মরোল্ শেম্বদা লোইনা য়াওনবা লাক্লবা
থোক্তগুম্ থোক্তি-থোক্খিবা ঙরাংত'হৌগুম্ হৌখিবা
কায়নথংগীনা অপান্ব থোক্হন্নিংখিবা অনীংবা
চান্নবগীনা পাউদম্গুম্ য়াওহনগে লোইনা হোৎনবা

লোন্ন পুথোক্পানবা—থম্গে-থম্খি অমমম্
থিখি অমরোম্দম্—ইনবগী' থাজফম্
ইনীংহ্না ইখিবা—তাহন্নীংনা তম্নীংবা
উনন্নিঙৈ করিগী—ঙম্খিদে কোংনবা ... ॥

তানিংখিবস্ন নোক্পহ্নি
য়েংনিখিবস্ন মতৌহ্নি

ইকায় থন্গম্বা' ফিজিনি, হৈশিংবা থূৎশানি
হন্ন য়েংঙম্ তাঙম্বা-মমিৎনি মন্না নি ... ।

ঐগী য়ারী মাগী-য়ারী ঈবাম্মিগী ঈবাম্মিদ।
নোক্নিংবা মতাং মতাংদা কাক্ কাক্ লাউনমু নোক্কনূদা।
মখোল্ থোরক্লমু থক্ নোক্তে উরগা হেক্তে লুক্থবা ··· ।

নোংমা উনহৌদা—য়াদগুম্ থিনিংখি
মখোল্দং তানবা—কোয়রুম্ কোয়রুম্ লুম্খি
মখোল্বু তায়বা—নোক্পদং ঙাইনিংখি
কয়াদা হুংঙাইখি—অহিংয়াখল ওইখি ··· ॥

হঙৎ-হন্দা তুবৎ-তুবৎ শংবল্ মরুম্
চীগোংলৈগী মনা মরক্ ঐগী য়েংকম্
অথাপ্পদো শুমাং মতায় মাগী ঙায়কম্
নোক্ফেৎ-নোক্‌ফেৎনা' নাচোম্‌ লৈরাং শেম্লকম্ ·· ।

ঐনা লুম্ব খঙ্‌হনসিগে করম্
মনাক্‌ য়োনা তেম্পাক্‌ থা চোংঙাতম্
নক্‌শিল্লক্‌খি চীগোংলৈ মখোঙ্‌তম্
খঙ্‌দশা' ঈশৈ ঙংখি নাকোইগুম্ ··· ।

য়েংন'য়েংনরগা মীৎচানরগা কৌনদা
মহাকম্ ঐহাক্‌নু হৈনবীদদা' নোক্‌পদা
য়েংনবা ঙম্লনা মাম্লখিবা নোক্‌মিম্লবা
অতুনা ওইরক্‌খি—'হুংশিনবা 'হুংশিনবা' ··· ।

তেল্ল'মতম্ ঙাইহাক্ত করিয়ানা হৌখিবা
অফিং-অফাই লাংতক্ল মহাক্‌ করি খুম্‌থিবা
নিংশিং-নিংশিং হল্লগা—হয়েং অমা ঙাইখিবা
শাগৎলুগে শারুবা নিংশিংবদা ডাম্‌ব্রবা ··· ॥

নম্বী-নম্বুপাং অয়োনুবা ওইখিবনি অরাংবা
'চংনুসি চংনুসিকো'—ঐনা হৌরে'মহায়বা
'ইকাইজৈরে অনুজৈরে'—থৈদোক্‌পদা' লারুবা
থোক্লক্‌পদি হেক্তম্‌ক্‌ থোক্লক্‌পনি চংনবা … ।

হৈয়ক্‌খি 'রায়ো-রাঙাঙ্‌ থঙ্‌জিল্লক্‌খি মরাল্‌কাও
থোক্লক্তুরে ঐনা শাও চংনুদ্রে মানা শাও
নোংমা চংহৌদবদা শাওজবীদো মাগীনি
মচেক্‌ য়ৈনা প্রাওথাংবৈ ঙাইজবদো মাগীনি ॥

থেংনরক্ত্রিবনা থেংনরক্লবা
পাম্লবগী মচাক্‌ য়াংশিল্লরুবা

হুংঙাইখি কয়া অমা, খনবীদে অতোপ্পগী
নাচুংথিদে কনাগী, কিরুদে অচিক্‌পগী
মুনা মুদানরবা - হাংল'চীক্ল তাল্লক্‌ঙাক্‌
লৈগী লৈশক্‌ থঙ্‌ত্রবা—মপ্পি'মম্ল' অত্থ ঙাক্‌
ওইখি পুংকম্‌ রাঙ্‌াঙ্‌না মতেক্‌মচেং কোচিথাঙ্‌
শিল্লোম্নখি ইনচে'—রাহংপাওখুম্‌ মরৌথাঙ্‌ … ।

মাঙোল্‌ মচি ফিশাফাল্‌ মনাক্‌নক্ল ফম্‌লিংখি
থাউমৈ মুংশি লৈথনিং শম্‌চেং'তেম্‌থেং ফানিংখি …

ঙম্‌দা ঙম্লগদবোই—খোঙ্‌কাপ্‌ রাইনাথাংলুবা
মনাক্‌ য়ৌনা চংলুবা ইকায় থঙ্‌দা শারুবা
ঙাংখি ঈমায় ঈচপ্‌মুক্‌—'কনা উম্লবীদোবা ?'
'ফজরি'গী রাহংনি খংশোন্‌ শোম্বহন্‌খিবা
'মপ্‌া লৈবরা' হংলম্ব—চম্ব'শারে উংখিবা
নোক্‌থোক্লক্‌খি ঈতৌদা, মথং রারী ওইখিবা … ॥

থোক্খিবগুম্ থাক্নি—থোকখিদবা করাম্নু
হায়খিবগুম্ নিংশিংলি—হায়খিদবা কয়াম্নু
খুম্খিবগুম্ তারক্লি—খুমখিদবা ডাক্কহু
খনখিবগুম্ কাওরক্নি—খন্নম্বা খন্খি ডাক্কহু
শাম্নখিবা ম্নারেম্শিং—মা-ঐগী চীথোন্ চীথোন্
চোইথোক্খিদে কনাদা মা-ঐগী তুমিন্-তুমিন্ … ।

ঐনা —

"ওম্থোক্নম্নু তৎম্নু তৎমনখ্রেদা
লঙ্দদা ডাক্কু তাইনরবোইদা !
শাওজিন্নহন্না তোক্লগে হায়রিরা
ঐডোম্দ থংজিল্ চংলগে হায়রিরা ! "

মানা—

"নবুক্পু য়েক্পন্না করিনো
শাওবু শাওবরা করিনো ! "

ঐনা —

"খরম্নু ডাক্তুউ থুম্মুবা ! শম্উ খরা ম্নারীদা
তাইনবৈ মহুৎ লঙ্দদা ঐডোম্নম্নু তাইনৌদা ! "

ম্নাহং হংখি হংনিংনা লাংতক্ন ডাই তানিংনা
থুম্দোক্লক্খি থাজদা য়াতোল্নুংদা লৈয়েংনা
তাবারবা চীন্বান্দ নোক্ফেৎ-নোক্ফেৎ মোমোল্না ‥
কয়া হরাও পেম্থোক্খি চৎনা চৎনা নোক্পগুম্
ঐগী ঈতৌ খঙ্খিদে মাগীতবু উঙম্গুম্
শাগৎপা ঙম্নি কায়দনা লেংশিন্দুনা অসিগুম্ …

"খবাল অমা শাৎলমী ঐ ওইরকোই মনিংই
খোইমু অমা পাইরকই 'ঐ উরমাই মথলুই
অহিং হারৌ খোকলদা ম্মুকশমদা' থাঙলকই
চেহোক্তনা তারুরি ভৌমিবোইন্ত' চীনমকই
থাজ মাবু উরগা ঐগী রাজ্যল' থামল্লওই
তাত্রিফাওবা লৈওগী কোয়না চৎনা 'শামকই—
থাগ্রচীংগী চীংয়ায়দা মৈরি রাইবা উরক্তই]
ঙাইহাক্ য়েনা লৈখোক্ই—মুংলি ঈশৈ খোক্রক্ই "॥

াংনা চৎমীয়থিবা লম্বী লম্শাং উরবা
াঙুনথিবা রারীনা কাওথিবগুম্ মাংগ্রবা
াখিদবা রারীনা ঙাঙুনথি'গুম্ থল্লিবা ···

ঐনা—'লৈনম্ ফোংলি কৃরিগী ? "
ানা—'নঙুনা ঙংলি কনাগী ?
িনা—'ঐনা খিরি লৈহি ! '
ানা—'ঐমা লৌগী খোইহি !'
িনা—'পোত্রীচৈঙ কোয়পাই পাইরক্পনি
লৈরাংগী লৈনম্ ঙাইরকপনি
লৈনম্ ফাওরে নঙুগী লৈনম্নি ! '
ানা—'করিবু লাংলি মচীংবু হোৌবরা
লৈশাং তম্বগী লৈনমু ফাওবরা
লৈহি চেল্লম্ব নঙুগীনি খনুবরা ?'

ঐনা—'থল্লী !'
ানা—'তল্লী !'

ঐনা—'খল্লীসিদি'!'
মানা—'পাইরিহুদি!'
ঐনা—'শাহম্ খঙ্বী লৈয়াংলা?'
মানা—'ইরাং পাম্ব খোঁইমুরা?'
ঐনা—'ঐনা তুমিন্ তোংলি!'
মানা—'ঐনা তুমিন্ খাংলি!"

অসুমদা কুইথনা ঙাঙনহুনা লাংনিংখি
নোংলেন্-নোংজাও চুরক্খি রারী পুম্‌কায় কায়হন্খি
লৈকোন্‌হুংদা ঐখোয়নী ইচোৎ-চোৎনা লুপ্নখি
মহাক্ কয়া মিপাইখি, চৎনিংদা চৎকে হায়রকখি …

"মচু-ভরেৎকি চুম্থাঙ্ খল্লে য়েংউ
হাংগ্রগনি নোং খাম্ব'নঙ্না শকউ
হুমীৎ তাদোরে থেংজিল্লক্লে খঙউ!
থিরম্ননি হল্লক্করে, থেংলবনি শাওরগনু
হল্লগেনে ঙসিগিদি, চৎলগেনে খাম্রগনু!

হয়েং অমুক্ খোল্লক্কে, মফম্সি' লাক্সি য়ৌনা
রারী মখা তাথ'না'
অওই-ওইদা রাভানা'

থম্মোয়হুংদা লৈরিবা তাহল্লিংনা-তল্লিংবা
মথং লাক্পদা কোংদোকে
লোইনা খাক্তনা হায়দোকে …

নোংনা চোংগী শন্নাং তন্নরোই
ফিনাম্নু কংনবা কন্নরোই '
হনুব্রগা সিংশিং কংহৈন্‌গে
চেল্লগা চোংনা কৌরুগে ॥"

অমম্বদা পীনবা নায়চোম্‌ লৈরাং শেম্‌খিবা
কনা উত্র'মতম্‌দা ঙাইনখিবা' থেংনিংবা
অহিংদদা চাক্তাবা কৈশী মত্তৌ লৌখিবা
মুন্নাম্‌ মুন্নাম্‌ রারীনি অহিংদতা পাম্‌খিবা ··· ।

হৈনবী মত্তৌ পুম্‌হোং-হোং হান্নগুম্‌দা ঐহাক্‌
অঙান্‌বৈ' অক্ষোং রারীদা পেন্‌ঙম্‌খিদা ঐহাক্‌
হেন্ন হেন্নদা নকৃশিন্নিং মাঙোম্নদা ঐহাক্‌
অনৌবা রারেং রানৌঙাক্‌ লেঙ্ডলকৃখিবা ঐহাক্‌

ঙসি ওইন্নিখৈ ইবা হয়েং লাক্লগা পীবা
ইরুবখৈ পানবা পীব্রগনা থৌরবা
পঙ্ডথরক্‌খি মহাক্তো নক্লরক্‌খি ঐথোয়নী
তক্‌শিন্‌বনা ঐহাক্ল কোইনরক্তে ঐথোয়নী ··· ॥

'হুংশিবনা ঙাউবদো মান্না ঐরা খঙ্ডব্রবা
অউবনা হায়নখি ঐহাক্‌সিবু অঙাউবা !
চংপা লুম্ব ঈতৌনা মান্‌সু মাল্লমৃখিবনি
মানা মতম্‌ থাবনা লুম্বহন্নু লুম্‌বনি ···।

রাথল' খল্লিমখৈ হায়দোক্‌খি চীনবান্দন্নু
মাগী মা ঙাক্ত ঙায়খি মঙ্ডদন্নু তাইবংদন্নু
শোয়দুনদি অঙাউবা হৌনদে মান্দবন্নু ॥

থোংনাওদা কেক্-কেক্ কাপ্পুরা হোৎগোক্—থুদিংদা
নিংথম্ কালেন্ লেকম্ থিদে নোংমতম্ কাংদা
ঐনা মপাল্ য়েংখায়ে লেংশীক্ চোক্থদা
মহাক্ ইমুং থোংনাওদা থোংনাও লোনগে হায়দা ···

নোংঙাল্বা খঙ্হৌদবা কয়ানি
ঊথিবাঁ অচং-অওং কয়ামি
ঙাঙ্বগী চোক্থখিদে খদাংসিন্নু
নিংথম্ অইংবা কাওথিদে হক্চাংসিন্নু ···

নক্ক-নক্ক নক্শিন্ন লাপ্নদা' অমদগী অমনা
হোন্জিন্মিন্নথিঁ হুংশা, মাগী ঐনা ঐগীদা মানা
মুন্নম্-মুন্নম্ ন্নান্নীনা' অয়োই অথম্ মায়দনা
মপাল্ থোক্লক্ ঙম্লক্পা—ঐগুম্ মহাক্ কোয়দনা ··

থোক্লক্লবনা য়েংবদা খোংবাল্-লুক্লাং লুম্লক্
খুৎচুম্দা নত্ত' থোঙ্জুম্কাও চোৎখিক্কয়ানক্ ···
অশেংবা থাবল্ পাঁম্খিদে মন্নম্ পীদ্রে' শাওথি'
য়েক্লগুম্ লৌথি হুমীংন্নু মঙাল্ লাক্লে তন্ন্নি ···

অছুঙৈগী থাবলদো, থাবল্ কবা অহিং নোংয়াই
থাবল মক্লম্ থিনা'—থাবল্ "মঙাল্ থৈন্না ঙাই"
থেম্ছনা অমুক নৌছনা অমুক্
খুম্হন্থি মহাক ঙাঙ্হন্থি মহাক্ ···

"মনিংঙৌনা কারবা শন্নাংশিংসে থোম্জিন্নে
নঙ্বু য়েংনা' লেপ্চরে থাবল্ মন্নম্ লাংহন্নে
থেৎপীনিংবা নৈচৈন্দো মশক খঙ্না খন্নক্পোই
অপাম্' নৈন্নাং খন্দুনা ঐগী'ঙম্ন পুন্নকপোই

লংননবু হনগ্রবা—হয়েং অমুক্ শাওগ্রবি ?
নাচোম্ অহু পংগ্রবি কংন নৈলা ওইগ্রবি।
হল্লোতুনা মাংগ্রবি কয়কংদা চোইথ্রবি।
থাবল্ ঈপোম্ লাওনা চেন্, মাচোথ্ মৈরাং চীল্লগা
পক্লনবা শেয়গে থৃদোল্'হুবু থেংলগা …
লেয়হুনা য়েংবীয়ু ঐগী পেন্‌বা শক্‌চগে
কংলকাওবা লীজগে শিত্রিকাওবা লাংচগে ॥"

ঈবাম্নিত' ভাইরবা' মুম্-অমুম্ কোইরক্ত
চংনবীগী শংবলকাও ফুক্ পওম্ কোইরক্ত
মীতোপ্ অমা য়াওরবা ঐহাক্ মহাক্ অথহাগুম্
মাগী মতৌহুদি ঈস ! ঐগীহুনু অহুগুম্ …

ওইদা ভাক্ত অওই শা মীওবগী মরোংলৌ
লয়হুমা লাম্নথি শাওহনবা শক্তম্লৌ
শাওগনবীমি ভাইনাসিন্ খোইদৌ-প্রোক্-প্রোক্! চাক্ হন্ থি
মীয়া লৌবানি হারসিন্ন হেয় খোইশাও লাংহন্ থি … ।

"রূপ শিন্নবনে শুক্ থসিন্নবনে !"—ঐনা
"শাথিহে ভাইনওম্মীনে !"—মানা

মপি তাহন্ কপ্ হনবা
নোংলকা ঙাক্লবা
মপি ভেঙোক্ খেন্নবা
তীকী হথমা মোল্লবা
মানা

[illegible]

“ঐ নোঙ্গ্রেমে—য়েঙ্ঙোসে !
শাওদ্রেবা—কপ্‌ত্রে হায়বসে !
তাংনে-ত্তৌশিন্নবনে-হায়্যরোসে !
চৎলো থেংগ্রে চংঙগেব্যাসে !

তক্‌শিল্লক্‌পসিনা …
তনখ্রে !
হায়মা ! সে ! … সে !
মনম্‌সিদি তন্‌খ্রে !
ঙম্মোই … ঙম্মোই …
ফত্তেসে ! ”

তৃক্‌থজ ওইনা ইকায়থিবী নৌজরম্ব থাক্‌চরম্ব
মুপী ওইবীম্মী হৌনশা মহাকীনি নাকোয়্যরম্ব
খল্‌হন্‌খিদে কাওহন্‌বগুম্‌—মিপাইরক্তে হেন্ন’নক্‌শিন্‌
মীৎক্কি পাউথোং ঙাক্তনি মানা হংল’ ঐনা খুম্‌
ঐনা শাওরা মানা থেম্‌, মানা শাওরা ঐনা থেম্‌ …

রাদি শুপ্‌ডাঙ্‌ ঙাঙ্‌নদা লোইনাইদ্রবা রারী শারগা
য়েংনিংহ্নতা লৈরবা মাগী মায়থোংহুবু য়েংলগা
মাবু অম্মম্‌ য়েংলগা শক্তম্‌হুবু উরগা
শক্তম্‌ অমা লাক্‌শিন্‌বা শক্তম্‌হুবু য়েংলগা …

থেংজিন্‌থ্রমাল্লে খঙ্‌দ্রবা নোংঙাম্মোরেতা উরক্‌পা
পাউথোংচম্নবগুম্‌ থোক্লম্ব থরাঈমিচাক্‌শিং মুৎথিবা
কুইরমাল্লে থেংথ্রমাল্লে ফম্মীরম্বিবা তাক্লক্‌পা
লৈফম্‌ হোংগ্রগে মতাগুম্‌ চীক্‌মাং-চীক্‌মাং মাংথিবা …

নৈত' মন্নাম্‌গী চন্নকপ্‌ অমম্বপুম্ব মাংলক্‌খি
থাংনিংদ-থোঙ্‌থাং থাংলক্‌খি মানা লেগ্‌নুনা নৈহৌখি
চৎলগেদি হায়গুম্‌দা থাংলক্‌খিবা থোঙ্‌থাংগো
চৎলদন্না হংগুম্‌দা লেপ্‌হৌখিবা মিকুপ্তো …
তুবোই ঙায়োংই থোঙ্‌থাংদা নোঙ্গয়রকখি মঙালনা
নোংগী মরীক্‌ মরীক্ক চাইশিল্লক্‌খি চোৎনবা
ইংবা-তম্ন' ফাওয়ক্‌খি য়ুম্‌দা হঞ্জিল্‌তল্লক্‌খি
কদায়' লেক্ক্‌ই ঙাঙ্‌দোরি চৈবা শোয়দ্রে লাংতক্‌খি …
ঈভোম্মতা থাংজবা থোঙ্‌থাংতগী মখোম্‌না
হৌন-হৌন' কয়াদা ঈথন্নতা তাজনা
অচিক্‌পবু কায়হনগুম্‌ তরক্‌তানা হল্লক্‌পা
চীন্দ-পুবা ঈশৈদা ঙংশিন্নবা শারক্‌পা

"মঙ্‌লম্ব নোং কবিগী চুবক্লি
ঙসাই মথৈ ঐবু ঙাইরিববা ?
ঐনা চোৎনা হনবদা নঙ্‌ হুংঙাইরবিনি !
ঐনা ইকায়বা নংবা উরগা নঙ্‌ পেল্লনি !

থা থরাঈমিচাক্‌শিং নখোয় পুম্ব লোইনা চেল্লববা ?
তম্‌থোক্‌কে্‌ হায়হ্নুনা করিগী মাংলিবা !
তম্বু-তম্‌থোক্‌ত্রবা রান্নী মথা তাখো
হয়েং অমুক্‌ লাকখো হো হল্লক্‌খো !

শাখপ্‌ তোইনা তোইনা খপ্‌ পাইমিন্নখিবা মা ঐ,
ঈশা তিংনা তিংনা থন্‌ তামিন্নখিবা মা-ঐ
নোংমতগী রা নত্ত' কয়ানিগী রাথোক্তো
তাকম্‌গী মপা থন্‌খি,—য়োকম্‌ মকম্‌ হোংবদো

[illegible]

থোরনা থোক্ মমল্ ওমমলি লেনবা

ইকাইনবা কাওবা লোকেনগত পোনবা ...

[illegible] অমিং লৈবা · থাগী মরক্ দা লোনথিবা

নোংখ্রমা অমিগদুম্ নোংগী ইরিক শাত্থিবা

থাথিবা শাকনা অওইরত এইনবা

শঙ্গরবা মচুমি কোজাইন্নবা হুংখিনা

ঈপাং মপাং খুতনক্ পা তানিংবমথৈ তারক্ পা

মপা ঈপা নোজ্রনা মমুং মমম্ ডায়নকপা ...

অওইবা ওইদবা নৈননিং খনুবনা পংথৈয়ো

চুম্ দোবনা কদায়মাও, লাম্ভোবনা কদায়য়ো,

"মঙলম্বা মঙগা মামবা মামদবা

মামবা ! মামদবা !

মামবা ! মামদবা !

মামবা !

মামদবা ! ॥"



মনি মাইরেম্বম্

ফজন্নি-ফজন্নি

পূন্সিগী চপ্‌চাবা, অরোইবা
মশক্ লেপ্প রাই। শৈরেংন্নুনি।
চাউবা, কমল্, অঙাংহল্‌গী
পুন্সি শৈরোল্‌না অমনি—
মবুক্ তপ্প চেম্ব্বরিবা তুরেল্‌গী তোর্বান্দগী
য়েংলক্‌পা মোন্-হাদবা মশন্নি।
মতুগী পুন্সি খুৎহীং অতুদা
ঐখোয় হীংবা ঙম্‌দ্রে,
মতুদা থেংনরুবা শৈরেংগী মশক্তুদা
তুমিন্ন তাওজরুবা ঙম্‌দ্রে।
অনৌবা পুন্সিগী য়াকায়রোল্ অমা
অনৌবা শৈরেংগী লৈনাশিংদা তাবা হৌরন্নি।
অমুম্ন মিকপ্ খোক্লন্নিবা
অনৌবা শৈরেংগী মশক্‌সিদা
তোংঙাল্-তোংঙাল্‌বা ঈথক্-ঈপোম্ য়াওনা
পূন্সি মশক্ তারুবা লৈহাউ হাপ্পন্নি।
অহুবু, লৈবাক্ অসিদগী ফংবা
লৈহাউতনা মচল্ শেম্বদা
তোংঙাল্‌বা মশক্ উৎচহনা
অহোঙবা কয়াসিগী মরক্ত
থেংনরুবা পূন্সিগী খোঙচৎ থরদং
শৈরেংগী লৈনাশিংদা ঈনৌ-নৌবা
ঈপোম্ অমদা শরুবা হোংনরক্‌পনি।
চথরন্নিবা খোঙচৎনি।
রাহংনি—লোইবা নাইত্রবা রাহং॥

কোঙ্‌থ্রবা :—
"অকুৎপা-য়েরুম্"
"হরাদো-লৈরাংদো"